

# য়ুম্ফম ওইবা ৱাপাও শন্দোকপা

অমসুং

সেবক শেম্বা

# ৱাপাও শন্দোকপা অমসুং শেবোক শেমবদা মর¦ওইবা

<u>ৱাহৌদোক</u> ঃ

নহাক্কী পুন্সিগীদমক ঈশ্বরনা ফজরবা পান্দম অমা থম্মী। মী খুদিংমক্কী, হায়বদি নঙসু য়াওবা, পুন্সিদা মায় পাকপা হায়বসি ঈশ্বরনা থমবীরম্বা পান্দম অদু মখোয়না থুংহনবা অমসুং থুংহনদবা হায়বসিগী মখা পোল্লী। ঈশ্বরনা থমবীরম্বা পান্দম অদু খংনবা অমসুং পাংথোকপা ঙমনবা, ঐখোয়না যীশুবু নুমিৎ খুদিংগী অতোপ্পদা শন্দোক□ বা হোৎনগদবনি। অমসুং অনৌবা থাজবা ইচিল-ইনাওশিংদা যীশুগীদমক করম্না হিংগনি হায়বদু তাকপীগদবনি। অসি পাংথোকপা ঙমন্নবা মসিগী পারা অসি শেমবনি।

মসিগী পারা অসিদা নঙনা করম্না শাখি পীবা য়াবা পুন্সি মহিং হিংগদগে, অফবা ৱাপাও করম্না শন্দোক্কনি, নশাগী শাখি করম্না ইগনি, ৱাপাও শন্দোকপগী মতাংদা বাইবলগী ওইবা নিয়মশিং, মখল অমসুং মওং কয়াগী ৱাপাও শন্দোকপা অমসুং অনৌবা থাজরকপশিংবু করম্না শেবোক শেমগদগে হায়বগী মতাংদা নঙনা তমগনি।

প্রার্থনাগা লোয়ননা পারা খুদিংমক পাবা হৌগৎপিয়ু। নশাগী ওইবা ৱাহৈশিংদা পাওখুম পিবিয়ু। শম্লকপা ৱারোলশিংদু নিংশিংন্নবা হোৎনবিয়ু। নঙনা তমখিবখৈ অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙমনবা ঈশ্বরদগী মতেং নিয়ু। ঈশ্বরগী ৱাহৈ অসি নৈনবা মতমদা ঈশ্বরনা বোর পিবা ওইসনু।

**যুম্ফম ওইবা**
**ৱাপাও শন্দোকপা অমসুং**
**সেবক শেম্বা**
**অহানবা পরা**
**অমুক নৌনা য়েংখৎপা**

***থৌওং অসিগী পান্দমঃ*** *যীশুগী **ৱা**-তাকপা নুপা নম্রগা নুপী অমমম ওইনবা নখোয়বু শেম শাবদা মতেং পাংবনি। (কনাগুম্বা যীশুগীদমক হিংবা ঙম্বা, মহাকপু অতোম্পদা হায়দোকপা অমসুং অতোম্পশিংবু করন্না যীশুগীদমক হিংগদগে হায়বসি তাকপীবা)*

***ৱাপাও শন্দোকপগী পান্দমঃ*** *অফবা **ৱা**পাওসি তাকথোক্লবা অমসুং ঈশ্বরনা কনবীরবা মখোয়বু খৃষ্টগা মরী শেমগৎনবা মতেং পাংবিবা।*

***মখলশিংঃ*** *মরুপ ওইবা **ৱা**পাও শন্দোকপা, য়ুম-য়ুম চৎতুনা **ৱা**পাও শন্দোকপা, লম্বী সরক্তা সেবা তৌবা, থৌজালগী সেবাশিং অমসুং ক্রুসেড তৌদুনা **ৱা**পাও শন্দোকপা।*

***তাঙ্ককশিংঃ*** *(ক) শেম শাবা*

১) *যীশুগী **ৱা**তাকপা নুপা নম্রগা নুপী অমা ওইনবা নশা নথন্তা কখোকচৌ (পীশিঞ্জৌ) (সেবক অমা অমসুং/নম্রগা শাক্ষী)*

২) *নুমিৎ খুদিংগী ক্রুসতা হিংজৌ। নিয়ম নায়বা (মতম মাংনদবা)। ঈশ্বরগী থবক্তা অপনবা পীরীবা অমসুং চৎনবীগী ওইবা পোৎশিং অদু নংগী পুন্সিদগী লৌথোকপা পামজৌ। অদুগা ঈশ্বরগী ওইবা পোৎশিংনা মখোয়শিংদু শিঞ্জিল্লু।*




(ক) *নুমিৎ খুদিংগী ঈশ্বরগী* **ৱা**হৈ *নৈনবা মতম পীয়ু। নহাক খৃষ্টদা কনানো হায়বদু হংজৌ (কনবীখ্রবা,* **থৱা**য়না থল্লবা, মায়পাক্লা হিংনবা কৌখ্রবা, অসিনচিংবা)*

১) *মসি পাও (এফিসা ৩ঃ৪)*
২) *মসি তম্মু (২ তিমোথি ২ঃ১৫)*
৩) *মসিদা থিয়নতো (ঈশৈ ১)*
৪) *মসি নিংশিংউ (ঈশৈ ১১৯ঃ১১)*
৫) *মসি ইথোকউ (হবাক্কুক ২ঃ২)*
৬) *মসিদা হিংউ (রোমি ৬ঃ১৭-১৮)*
৭) *মসি হায়দোকউ (১ য়োহন ১ঃ১-৩)*

(খ) **প্রাথনাঃ** করিনো হায়বদো ঈশ্বরগী মফমদা নুমিৎ খুদিংগী ৱারি শানৌ।

১) নংগী দরকার লৈবশিং
২) নংগী অকোয়বদা লৈরিবা থাজদবা মীশিং অদুগী দরকার লৈবশিং
৩) থজবা নচিন ননাওশিংগী দরকার লৈবশিং
৪) মফম অমসুং মীশিং নংনা মায় পাকপা উদ্রিবা ফাওবা মদু য়ৌনবা

**খুদমঃ** থৱায়গী ওইবা পাওজেল চে অমা থমদুনা ঐখোয়না বাইবল তম্বা অমসুং প্রাথনা তৌবা অসি চাওখৎনবগী য়ান্না চাওবা লম্বী অমনি। হাপচনবা শরুক (ক) দা য়েংউ।

(গ) যীশুগীদমক হিংলবা ঈশ্বরবু থজবা মখোয়গী মরক্তা লৈনবা নুমিৎ খুদিংগী মতম খায়দোকউ। প্রথনাগীদমক, ঈশৈ শকপাগীদমক, ঈশ্বরগী ৱাহৈ তম্বাগীদমক, অমসুং অমগা অমগা শরুক য়াম্মীনবগীদমক।

(ঘ) নুমিৎ খুদিংগী যীশুগীদমক নখোয় থেংনবা মীশীংদা হায়য়ু অমসুং মখোয়গী মমাংদা মহাক্কীদমক হিংনবা থিরিবনি হায়বসি খংহল্লু।

৩) পাও শন্দোকপগী মখলশিং, মওং মতৌশিং, লাইরিক মচাশিং, সিক্রপচরশিং, মশা মশাগী ওইবা শাক্ষী অমসুং অফবা ৱাপাও তাকথোকপা তমদুনা।

(ক) <u>চাহেনবা (থবক)</u>

১) **চানচানবা মওং অদু খন্দোকপা মরুপ লক্তা ৱাপাও শন্দোকপা**

পান্দমঃ ঐখোয়গী নুংতিগী ওইবা ইথৌলক্তা থেংনবা মীওইশিংগী মফমদা ঈশ্বরনা চিংবীবগী মতুংইন্না অফবা ৱাপাও শন্দোকপা।
মওংশিংঃ (পরা ৬ শুবদা য়েংউ)
নিয়মশিংঃ (পরা ৭ শুবদা য়েংউ)

**য়ুম য়ুম চৎতুনা ৱাপাও শন্দোকপা**

পান্দমঃ অখন্নবা মফমগী য়ুম খুদিংমক্তা অফবা ৱাপাও ফংহন্নবা অমসুং শীংলুপশিং উন্নবগী অমসুং থিবগী থবক চখনবা।
মওংশিংঃ (পরা ৭ শুবদা য়েংউ)
নিয়মশিংঃ (পরা ৭ শুবদা য়েংউ)

*লম্বী সরক্তা সেবা তৌবা*

*পান্দমঃ অফবা* **ব্রা***পাওনা অখন্নবা মফম নন্ত্রগা মীয়াম পূনবা পূন্নমক পুমচোৎ চোৎহনবা*
*মওংশিংঃ (পরা ৮ লুবদা য়েংউ)*
*নিয়মশিংঃ (পরা ৮ লুবদা য়েংউ)*

*থৌজালগী সেবাশিং*

*পান্দমঃ হকচাংগী,* **ব্রা***খলগী, পুক্নিংগী, অমসুং পোৎশক্কী ওইবা দরকার লৈবশিংদা সেবা তৌদুনা অফবা* **ব্রা***পাও শন্দোক্লবগী তাঞ্জা ফংহনবা।*
*মওংশিংঃ (থবক ওইনা সেবা তৌবগী থৌওং অদুদা য়েংউ)*
*নিয়মশিংঃ (থবক ওইনা সেবা তৌবগী থৌওং অদুদা য়েংউ)*

*ক্রুসেড (ধর্ম্মগী লাল) তৌদুনা* **ব্রা***পাও শন্দোকপা*

*পান্দমঃ অফবা* **ব্রা***পাও শন্দোক্লবা অচৌবা মীয়াম অমবু খোমজিনবা।*
*মওংশিংঃ (অককনবা তম্বা দরকার লৈ)*
*নিয়মশিংঃ (অক্লবা তম্বা দরকার লৈ)*

২। *টিমশিং শেমগৎপা (২ নন্ত্রগা হেন্না) মখোয় নিংথিনা তল্লে হায়বসি শোয়দনা য়েংবীয়ু।*

৩। *নংগী দরকার লৈবা পুন্নমক লৈরে হায়বসি নংনা শোয়দনা য়েংশিল্লু - লাইরিক মচাশিং, বাইবলশিং, লাইরিকশিং, ঈশৈগী খুৎসু খুলাইশিং অসিনচিংবা।*

৪। *চান চানবা ফিজোলশিং*

(গ) ***চৎপা***

১। *পীরবা মওংশিং অমসুং নিয়মশিং শিজিন্নদুনা নখোয়গী থৌরম চত্থবা।*

২। *ফজনা লৈবা।*

**মরু-ওইবা ব্রাহংশিংঃ** *নখোয়না তমখিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙম্নানবা।*

১। *নং যীশুগী* **ব্রা***পাওদা লৈবা নুপা নন্ত্রগা নুপী অমমম ওইনবা পীশিঞ্জব্রা?*
*পীশিল্লি ............... পীশিনদে ..................... পীশিনদ্রবদি, ঙসিদগী মদু পীশিনজরো।*

২। *নং ঈশ্বরনা নিজবা নুপা নন্ত্রগা নুপী অদু ওইনবা নুমিৎ খুদিংগী চংজদুনা মতম পীশিঞ্জব্রা?*
*পীশিঞ্জে ................. পীশিঞ্জদে ...................... পীশিঞ্জদ্রবদি, মদু ঙসিদগী তৌবা হৌরো।*

৩।	যীশুবু মপুং ফানা শরুক য়ামীন্নবা ঙম্নবা ঈশ্বরগী ব্লাহৈগী মতাংদা তম্বা অসি নংনা পামজব্রা?
পামজৈ .................... পামজদে....................... পামজদ্রবদি, ঙসিদগী তৌবা হৌনবা ব্লালেপপ্লো।

**থবক ওইনা পায়গদবাঃ** হাপচিনবা শরুক (খ) দা য়াওবা হিঙ্গৎহনবা প্রথনগী লিষ্টতা য়েংদুনা যীশুগী ব্লাপাও তাকথোকপা নুপা নম্রগা নুপী অমা ওইনবা নশা নথন্তা শেম শাজরো। হাপচিনবা শরুক (ক) দা য়াওবা মরী মখোং অদু নিংথিনা শিজিন্নদুনা থব্লায়গী ওইবা পাওজেল চে শেম্বা হৌরো, করিগুম্বা মদু নংনা হান্না তৌদবা তারবদি।

## যুক্ষম ওইবা
## ব্লাপাও শন্দোকপা অমসুং
## অনিশুবা পরা
## অফবা ব্লাপাও শন্দোকপা

**ব্লাহৌদোকঃ** অয়াম্বা মতমদা ঐখোয়না অফবা ব্লাপাও অসি থব্লায় ইয়াও য়াওদনা শন্দোকই (মসিগী প্রাথনা অসি তৌরো অদুদগীদি নং শ্বর্গদা চৎপা ফংল্লনি) মপুং ইনবা ফংদবা মরমগা লোয়ননা। করিগুম্বা তাইবঙপাল অসি ঐখোয়দা অফবা ব্লাপাও (অসি মপুং ফানা) শন্দোক্লবা পীনবীরে হায়না খল্লবদি বাপ্টাইস তৌবা য়োহন, যীশু পীতর অমসুং পোলগুম্না ব্লাপাও শন্দোক্কদবনি, ঈশ্বরগী মফমদা পুক্নিং হোংজদুনা অমসুং যীশু খৃষ্টদা থজবা থমদুনা (পাখোলচৎপ ২০ঃ২১)। মসিগী অফবা ব্লাপাও শন্দোকপা লাইরিক অসি নখোয়না মদু তৌবদা মতেং পাংনবা খুৎলাই অমনি।

অফাবা ব্লাপাও শন্দোক্লবগীদমক মসি করিনো হায়বসি ঐখোয় জ্ঞান তাবা তাই। অফবা ব্লাপাও শন্দোকপগী মরুওইবা তাঙ্কক মরি লৈ।

১)	মীওইবগী শমশ্যা অসি পাপনি। (য়সাইয়া ৬৩ঃ৬; রোমী ৩ঃ২৩)

২)	মসিগী পাপ অসিনা ঐখোয়বু ঈশ্বরদগী তোঙানা তাহল্লে। (য়সাইয়া ৫৯ঃ২; রোমী ৬ঃ২৩)

৩)	ঈশ্বরনা ঐখোয়বু অসুক্কী মতিক নুংশিবনা ক্রুসতা ঐখোয়গী মহুৎ শিন্দুনা শিবীরে, অশুম্না লোম্বা নাইদবা পুন্সি অদু ফংবা ঙম্নবা। (১ পীতর ৩ঃ১৮; রোমী ৫ঃ৮)
খুদমঃ লোম্বা নাইদবা পুন্সি হায়বসি যীশু খৃষ্টগী মপান্দগী ঈশ্বরগা লৈনবা মরী অদুনি। (য়োহন ১৭ঃ৩)

৪)	মসি লোম্বা নাইদবা পুন্সি অসি ফংবা ঙম্নবা ঈশ্বরগী মফমদা থম্মোয়গী অনিংবগা লোয়ননা পীশিঞ্জগদবনি। (লুক ১৪ঃ২৬, ২৭, ৩৩; রোমী ১০ঃ৯-১৩)

***পান্দমঃ*** *অফবা **ৱা**পাও শন্দোকপগী পান্দম অসি কনাগুম্বা অমবু লোম্বা নাইদবা পুন্সি অদু ফংবদা মতেং পাংবনি শ্বর্গদাদা চৎনবা নম্রে। য়োহন ১৭ঃ৩ হায় মদুদি "অমসুং অমতা ঙায়বা অচুম্বা ঈশ্বর ইবুংঙোবু অমসুং ইবুংঙোনা থারকপা যীশু খৃষ্টবু মখোয়না খঙবা, মাসি লোম্বা নাইদবা হিংবা অদুনি।" মীশিংনা হৌজিক মফমসিদা মখোয়গী পুন্সি অদু পাইশিনবা পাম্মী। মখোয়না মখোয়গী পুন্সিদা থেংন্নরীবা শমশ্যাশিংগী পাওখুম অদু নখোয়গা থেংনবা মতমদা পাম্মী। থম্মোয়গী অনিংবগা লোয়না কখোকচদুনা যীশুগী তুংইনবা য়াবসি মখোয়গী পুন্সিগী শমশ্যাশিং অদুগী পাওখুম ফংল্লবা মতমদা ওইগল্লী।*

*লোম্বা নাইদবা হিংবা অসিদা মীওই অমগী পুন্সিদা পোৎশক অহুম থেংনগনি। মখোয় পুক্নিং হোংগদবনি, লৌশিঞ্জগদবনি অমসুং নৌনা অমুক শেমগৎ শাগৎকদবনি। পুক্নিং হোংবা অদু ঈশ্বরগী মফমদা ওইগদবনি। মখোয় তশেংনমক্কী মখোয়না তৌখিবা পাপশিং অদুনা ঈশ্বরগী থম্মোয়বু **ৱা**হনখিব অদুগীদমক নুংঙাইতবা পোক্কদবনি, মঙোন্দা, মখোয়গী ইমুং মনুংনচিংব্দা তৌবীবা অদুদা নম্রদুনা। মখোয়না যীশু খৃষ্টবু মখোয়গী ঈশ্বরনি অমসুং কনবীবা মপুনি হায়না লৌশিঞ্জগবদনি। ঈশ্বরগী মফমদা মখোয়গী পুন্সি অদু য়ানজরবা মতমদা মসি তৌগবদনি। (লুক ১৪ঃ২৬-২৭, ৩৩); মখোয়বু পাপতগী কোকথোকপীনবা যীশুনা ক্রুসতা শিবিখিদুনা কনবীবা অদুদা থাজগদবনি (ইব্রিয় ৯ঃ১৪); অমসুং যীশুনা মখোয়গী ঈশ্বরনি অমসং কনবীবা মপুনি হায়বসি মখোয়না থেংনবা মীওইশিংদা হায়দোক্কদবনি (রোমী ১০ঃ৯-১০)। কনাগুম্বা মীওই অমা তশেংনা পুক্নিং হোংলবা অমসুং লৌশিঞ্জরবদি, মখোয়না ঈশ্বরবু নুংশিজরনি অমসুং ঈশ্বরগী **ৱা**হৈদা ইঞ্জদুনা অনৌবা পুন্সি অমা শেমগৎপদু পামজগদবনি (য়োহন ১৪ঃ২১-২৩; ১ য়োহন ৫ঃ১-৩)।*

*মসিগী অফবা **ৱা**পাও শন্দোকপা (লাইরিক) অসিনা নংনা **ৱা**পাও শন্দোকপদা দরকার লৈবা জ্ঞানশিং অদু পীবা ঙমগনি। মসি নংনা ঈশ্বর খঙদবশিং অদুগীদমক মতম হেন্না খায়দোক্তুনা প্রথনা তৌরীবা মখৈ হেন্না মপুং ফাগনি।*

***পন্থুংঃ*** ***ৱা**পাও শন্দোকপগী পন্থুংদি অফবা **ৱা**পাও অদু নিংথিনা অমসুং শেংনা হ্য়দোকপা অদুনি, অশুন্না থ**ৱা**য় অশেংবনা মীওইশিংগী মথক্তা অরান খুবম পুরকপা ঙন্নবা (থ**ৱা**য়দা পোকপা)। রোমী ১০ঃ১৪-১৭; য়োহন ৬ঃ৪৪; ৩৩, ৫-৬*

### ***অফবা ৱাপাও শন্দোকপগী তাঙ্ককশিংঃ***

***অহানবা তাঙ্কক*** *: শোয়দনমক্কী নং মমাংদা প্রথনা তৌরৱা,*

*অদুনা নংগী অমদি ঈশ্বরগী মরক্তা হায়দোক্তবা পাপ অমতা লৈতনবা। নংনা অফবা **ৱা**পাও শন্দোকপা মতমদা ধর্ম্মগী ওইবা ইথৌনি হায়না খন্দুনা থম্মোয়দগী থোরকপা অচুম্বা নুংশিবা অমসুং মাংথ্রবা থ**ৱা**য়শিং অদুগীদমক খোয়রাংৱা। ঈশৈ ১২৬ঃ৫-৬*

***অনিশুবা তাঙ্ককঃ*** *অহৌবা **ৱা**হংশিং নম্রগা **ৱা**রোল হায়ফেতং পাথরো,*

*অদুগা মীশিং অদু মশা মথন্তা তাকথোকচবগী তাঞ্জা অদু পীয়ু। মসিনা মখোয়গী থম্মোয় অদু অফবা **ৱা**পাও তানবা হাংদোকপা ওইগনি। **ৱা**হং নম্রগা **ৱা**রোল অদু শমলম্পা ওইগদবনি অমসুং মখোয়শিং অদু চৎনবীগী নম্রগা সমাজিক ওইবা মওংদা শরুক য়াহন্দুনা শেমগদবনি।*

***অহানবা খুদমঃ*** *য়োহন ৪ দা য়াওবা যীশু অমসুং গুহা অদুদা লাকপা নুপী। "ঐঙোন্দা থক্লবা ঈশিং পীবিয়ু" অমসুং "ঐগী মফমদা অহিংবা ঈশিং অদু লৈ।"*

***অনিশুবা খুদমঃ*** *ভরত্তা য়াম্না তোয়না হংবা অদুদি "নং ঈশ্বরগী লম্বী অদু ফংবা ঙম্লব্রা?" ভরতকী ধর্ম্ম অসি ঈশ্বরগী লম্বী থীবদা য়াম্না থ**ব্না**য় য়াওশিনবা ওই।*

*ঈশ্বরনা নংগী পুন্সিদা তৌখিবা অদুগী মতাংদা ইচম চম্বা শাক্ষী অমা নম্রগা তারীবা অদুনা শিজিন্নবা য়াবা কনাগুম্বা নংনা খঙবা অমগী মতাংদা চাপ মাননা হংনখিবা শমশ্যা।*

***খুদমঃ*** *অনাবগী শমশ্যা লৈরীবা মী অমদা নাবা ফবগী শাক্ষী পীদুনা পুক্লিং চিংশিননবা হৌদোকপা য়ায়।*

***অহুমসুবা তাঙ্ককঃ*** *অফবা **ব্না**পাও তাকথোকপা*

*(ক) পাপ (রোমী ৩ঃ২৩)*

**ব্না**হংঃ *নহাক পাপ চেনবা মীশক অমনি হায়বসি নংনা খংজব্রা?*

***পাওখুমঃ*** *মখোয়শিংদা পাপ অমখক্তনা পাপ চেনবা ওইহনবনি হায়বসি খংননবা মতেং পাংবীয়ু। অমুকসু, ঈশ্বরগী নম্রদুনা অতোপ্পগীদমক হিংবা অসিসু পাপনি। মসিনা মখোয় ঈশ্বর থজদে হায়বগী খুদমনি নম্রগা ঈশ্বরনা মখোয়বু নুংশি অমসুং মখোয়গী য়াইফবতা পাম্মী হায়বসি খঙবা ঙমদবনি। (১ য়োহন ৩ঃ৪; ১ঃ৮-৯; পাওরৌ ২ঃ৪; রোমী ১৪ঃ২৩(b))*

***চাংদম ওইনবা তাকপাঃ*** *হৈ মহি গ্লাস অমদা হু দ্রোপ অমাখক্তং হাপ্পদা মদু থকপা য়াহনদে।*

***(খ) খায়দোক্লবা*** *(রোমী ৬ঃ২৩)*

**ব্নাহংঃ** *নহাক পাপ তৌবগী ফল অসি করিনো খঙব্রা?*

***পাওখুমঃ*** *মখোয়গী পাউখুম অদু ওইনিংবা ওইসনু, অদুবু মখোয়দা পাপকী ফম অদুদি ঈশ্বরদগী খায়দোক্লবা অমসুং মদুনা মখোয়গী পুন্সি, মখোয়গী ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং, সমাজ মাং তাকহল্লি অমসুং অরোয়বদা লোম্বা নায়দবা খায়নবা, শিবা অমসুং নোরোক্তা চৎপা ওইহনলি হায়বসি খঙহনলু। মখোয়দা শামশ্যা থোক্লিবা অদু মসিননি হায়বসি খঙহনলু নম্রগা তুংদা মখোয়দা থোরক্কদবশিংগী মতাংদা।*
*(পাওরৌ ৮ঃ৩৬; ১৪ঃ১১; ঈশৈ ৯ঃ১৭; য়েমস ১ঃ১৩-১৬)*

***চংদম ওইনবা তাকপাঃ*** *অঙম্বা চীংমায়দগী ত্রেক্তর অমনা কার অমা চিংখৎপা মতমদা য়োৎলি অমা হেক নাম্থোকপা মতমদা খায়দোক্লবগী মরম ওই।*

***(গ) মহুৎ শিনবা** (রোমী ৬ঃ৮)*

***ৱাহংঃ** ঈশ্বরনা নংগী পাপ অদু কোকপীনবা করি তৌখি হায়বসি খঙব্রা?*

***পাওখুমঃ** মখোয়গী পাওখুম অদু ওইনিংবা অমা ওইরবসু ঈশ্বরনা (যীশু) মখোয়গীদমক শিবিরে হায়বসি জ্ঞান তাহনলু, মদু মহাক্না ঐখোয়বু নুংশিবীবদগীনি অমসুং ঐখোয়গী য়াইফবা পাম্বননি। মহাক্না মদু অফবা মতম অমা ঙাইরিবনি হায়দুনা থংতোক্তুনা থম্বা পামদে. পাপ হায়বসি মতম খরগী ওইনা নুংঙাইহনবদি য়াই হায়বসি মহাক খঙই অদুবু মসিনা অরোয়বদা মখোয়বু ৱাহনলি মরমদি মদু তাইবংপানগী নিয়মগী মায়োক্তনি (ঈশ্বর ৱাখলদগী থোরকপা নিয়ম অসিনা খ্বায়দগী ফৈ মরমদি মহাক্তী খ্বায়দগী শিংবা অদুনি। মখোয়দা লোম্বা নাইদবা হিংবা অদু ঈশ্বর মহাক্না পীনিংই হায়বসি তম্বীয়ু (অশেংবা, ইংথবা, হরাওবা অমসুং নুংঙাইবা)। মহাক্না মখোয়গী থম্মোয়দা লৈবা পাম্মী অমসুং পাপতগী থোরকপদা মতেং পাংনিংই। ঈশ্বরনা মখোয়বু কয়াগী মতিক লুনা তৌবীবগে হায়বসি মহাক্না মহাক্কী মচা যীশুবু ক্রুসতা শিবিনবা য়াবীরে অমসুং মখোয়গী পাপকী দন্দি পীরীরে। মখোয়গী অফবা তৌবনা অমসুং ধর্ম্ম চৎপতনা মখোয়গী পাপশিং অদু মহুৎ শিনবা য়ারোয় হায়বসি মখোয়দা খংহনলু মরমদি মসি অমোৎপনা অমোৎপবু শেংদোকপা তাগনি। য়োহন ৩ঃ১০; ১ য়োহন ৩ঃ৮; রোমী ৬ঃ৫-৬*

***চাংদম ওইনা তাকপাঃ** শিগদবগী ঙায়রবা বন্দিশিং, মখোয়গী পাপকী মমল অদু পীবা তারবদি, মখোয় শোয়দনা শিরগনি। কনাগুম্বা অমনা মখোয়গী মহুৎ শিন্দুনা শিবিবা তারবদি, মখোয় মনিং তম্লনি।*

***(ঘ) পীশিঞ্জবাঃ***

***ৱাহংঃ** নহাক করম্না পাপতগী কোকচবা ঙমগদগে অমসুং ঈশ্বর লোম্বা নাইদবা হিংবদু করম্না ফংগনি হায়বসি খঙব্রা?*

***পাওখুমঃ** লোম্বা নাইদবা হিংবা অদু ফংবা ঙম্নবা মীওইশিংদা নিংথিনা শন্দোক্তুনা তাকপীয়ু, পোৎশক অহুম থেংনগনি। মদুদি মখোয় পুক্নিং হোংগদবনি, লৌশঞ্জগদবনি অমসুং নৌনা অমুক শেম শাগৎকদবনি।*

*১) পুক্নিং হোংবা (রোমী ২ঃ৪)*

***পাওখুমঃ** পুক্নিং হোংবা অদু ঈশ্বরগী মায়কৈদা ওইগদবনি। মখোয় তশেংনমক্কী মখোয়গী পাপশিং অদুনা ঈশ্বরগী থম্মোয় শোকহনবগীদমক মখোয়না তৌখিবা অদুখক্তমক নল্লদুনা, মখোয়গী ইমুং-মনুংসু অসিনচিংবা নুংঙাইতবা পোক্কদবনি।*
*মখোয় পাপতগী থোরকপা পামজগদবনি অমসুং ঈশ্বরগী হায়বা ইনবা অদুনা হিংগদবনি।*

***চাংদম ওইনা তাকপাঃ** লম্বীদা অসুম চৎলিঙৈদা করিগুম্বা খুদোংথীবা অমা থোক্কদৌরে হায়না খঙবদগী মমায় লৈদুনা মায়োক্নবা লাকপা লম্বী অদুদা চৎপা হৌবা।*

২)	***লৌশিঞ্জবা (রোমী ১০ঃ৯-১৩)***

***পাওখুমঃ*** *মখোয় যীশু খৃষ্টবু মখোয়গী ঈশ্বরনি অমসুং কনবীবা মপুনি হায়না লৌশিঞ্জগদবনি। মসি ঈশ্বরদা মখোয়গী পুন্সি অদু মপূং ফানা পীশিজরবা মতমদা তৌগদবনি (মরী লৈনবশিং, পন্থুংশিং অমসুং অথোই অহেন ফংনিংবশিং অমসুং ফম পায়বশিং) (লুক ১৪ঃ২৬-২৭, ৩৩), অমসুং যীশুনা লীবিবা অমসুং মখোয়গী পাপ কোকপীনবা হিঙ্গৎখিবা অদুদা থাজগদবনি অমসুং ঈশ্বরনা হায়বা ইনবা পুন্সি অমা হিংবা ঙম্মনবা পাঙ্গল পীগদবনি । মখোয়না থেংনবা মীওই খুদিংদা যীশুনা মহাক্লা ঈশ্বরনি অমসুং কনবীবা মপুনি হায়না হায়দোকপা মতমদা চিংনবা লৈরোয়দবনি। (১ য়োহন ১ঃ৯ঃ ইব্রীয় ৯ঃ১৪) চাংদম ওইনা তাকপাঃ ললোনবা নুপা অমনা মহাক্কী থবক অদু কনাগুম্বা মীওই অমদা পাননবা পীবা মতমদা মী অদুনা মফম অদু ফংনবা মতিক চাবা মমল পীখ্রে অমসুং থবক অদু তৌনবগীদমক মতিক চাই হায়বসি নুপা অদুনা খংই। নীপা অদু অতোপ্পাশিংগী মফমদা মহাক্কী থবক পুবা মী অদুগী মরমদা মতুংদা তম্বদা ইকায়দে।*

৩)	***নৌনা শাগৎপা (রোমী ৬ঃ১৭-১৮)***

***পাওখুমঃ*** *করিগুম্বা খৃষ্টবু ঐখোয়না ঐখোয়গী থম্মোয়দগী শেংনা থাজরকপা মতমদা, ঈশ্বরগী অনিংবদা চৎপা হায়বা ইনবা পুন্সি অমা হিংনবা নৌনা শেমগৎপা পুন্সি অদু ঐখোয়না পামজগদবনি মরমদি ঈশ্বরনা ঐখোয়গী অফবা পামজৈ হায়বসি ঐখোয়না খংই।*

***চাংদম ওইনা তাকপাঃ*** *ঐখোয়না ট্রফিক পুলিসনা তাকপা নিয়ম ময়াম অদু ইন্দুনা চৎলি মরমদি মখোয়না তাকলিবা অদু ঐখোয়গী ফনবনি হায়বসি ঐখোয়না থাজৈ।*

*(ঙ)*	**ৱারোয়শন**

**ৱাহংঃ** *নহাক প্রভু যীশুবদা নংগী থম্মোয় অমসুং পুন্সি অদু পুন্না পীশিঞ্জবা পামজরা?*

***পাওখুমঃ*** *মসি ঈশ্বরগী অফবা* **ৱা***পাও খুদোল-তৌবদা খ্বাইদগী মরুওইবা শরুকনি। মীওইবগী থ***ৱা***ইসি লোম্বা নাইদবগী পন্থুংফম অদুদা চাং অমদা লুপথদুনা লৈ। করিগুম্বা মখোয়না ঈশ্বরগী মফমদা শিন্নথোকপা পামদ্রবদি অফবা* **ৱা***পাও খুদোল তৌবা অদু অমুক চেকশিন্না চৎলু। মহাক জ্ঞান তারব্রা হায়বসি হংবিয়ু (মখোয়না খঙদবা হিরমশিং অদু পুথোক্তুনা তাকপীয়ু)? অফবা* **ৱা***পাও অসি মখোয় নিংথিনা জ্ঞান তারে হায়বসি নংনা শুংশোয় শোয়দনা খঙলবা মতম অদুদা* **ৱা***রোয়শনগী* **ৱা***হং অদু অমুক হংবীয়ু। করিগুম্বা মখোয়না হৌজিক ফাওবা খৃষ্টদা মখোয়গী পুন্সি পীথোকনিংদবা উরগদি চেকশিন্না অমদি নুংশিনা মখোয়দা শন্দোক্লা তাকপিউ মদুদি ঈশ্বরদগী নথৈবা হায়বসে য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবনি।*

## ***মখোয়দা শন্দোক্লা তাকপীয়ুঃ***

১)	*মখোয়না অপাম্বা মতম অদুদা কনাগুম্বা অমনা হেক্তা লকপা ঙমদে তৌইগুম্বসুং ঈশ্বরগী থ***ৱা***য় অশেংবনা চিংলবা মতমদা লাকই।	য়োহন ৬ঃ৪৪*

২)	*নুপা নম্রগা নুপী অদুনা হয়েংগীদমক **ব্লা**শকলোইদবনি। মরমদি করিগুম্বা মখোয় হৌজিকমক শিবা তারবদি শোয়দনমক্কী ঈশ্বরগী লোম্বা নায়দবা **ব্লা**য়েলদুদা লেপ্লগনি।	২ কোরিন্থীয় ৬ঃ২*

৩)	*করিগুম্বা মখোয়না ঙমলোয় হায়বা তারবদি মদু হেন্না অরুবা ওইবদি য়াই অদুবু ওইথোক ওইদবদি নত্রে।	পাওরৌ ২৯ঃ১*

*মখোয়না মল্লিবা থমলিবা **ব্লা**রেপকী মরুওইবা অদু নিংথিনা জ্ঞান তারে হায়বসি নংনা খঙল্লবা মতমদা অরোয়বগী (**ব্লা**রোয়শনগী)	**ব্লা**হংশিং অদু অমুক্কা হংবীয়ু। মখোয় অমুক্কা হন্না ঙমলোয় হায়বা তারবদি, ঈশ্বরনা মখোয়বু নুংশি হায়বসি মখোয়দা তম্বীয়ু, অমসুং নংনসু নুংশি অদুগা নংনা মখোয়গীদমক প্রাথনা তৌগনি হায়বসু হায়বীয়ু।*

*<u>করিগুম্বা মীওই অদুদা মখোয়না মখোয়গী পুন্সি অদু যীশু খৃষ্টগী মফমদা কখোকচবা য়ারে</u> হায়বসি উৎলবা মতমদা নংনা মখোয়গীদমক প্রাথনা তৌবীগনি হায়বসি মখোয়দা তম্বীয়ু অমসুং মদুগী মতুংদগী মখোয়না লাওনা প্রাথনা তৌদুনা মখোয়না তৌখিবা পাপশিং অদুগীদমক তশেংনা অরানবা পোকচদুনা ঈশ্বরগী মফমদা হায়দোকচগদবনি অমসুং হোঙদোকপা পামজগদবনি। যীশু খৃষ্টগী মফমদা মখোয়না মখোয়গী পুন্সি অমসুং হিরম খুদিংমক নোম্থগদবনি। মখোয়গী থম্মোয়দা প্রভু যীশু লাক্লনবা অমসুং মহাক্কী থ**ব্লা**য় অশেংবনা থনবা মখোয়না হায়জগদবনি অসুন্না মহাক্কীদমক নখোয়নসু হায়জগদবনি অসুন্না মহাক্কীদমক মখোয়না হিংবা ঙম্ননবা। মখোয়গী প্রাথনা অদু ঈশ্বর থাগৎপগা লোয়ননা যীশুগী মীংদা লৌশিনগদবনি হায়বসি মখোয়দা তাকপীগদবনি।*

***অরোয়বা ব্লাহংঃ*** *যীশুসি নঙোন্দা কনা ওইবগে?*

***পাওখুমঃ*** *ঈশ্বর অমসুং কনবীবা মপুনি। করিগুম্বা অতোপ্পা পাওখুম অমা পীরকপা তারবদি মদুগী মরম করিনো হায়বদু হংউ। মখোয়দা লৈবা চামন্ননবা খুদিংমক জ্ঞান তানবা তৌবীয়ু।*

***মরিশুবা তাঙ্ককঃ*** *লোক্লবা মহৈশিং অদু মাংদনবা থম্বা।*

*লৌমী অমনা মহাক্কী লৌবুক অদুদগী লোক্লকপা মহৈ মরোংশিং অদু মাংদনবা নিংথিনা থমদবা তারবদি করিমত্তা কান্নদবগুন্না, মীনা, শীংলুপনা, নম্রগা সমাজনা কনাগুম্বা অমবু খৃষ্টদা পুরকলবসু মখোয়না কখোকচরিবা অদু নিংথিনা জ্ঞান তান্না শেন্নদ্রবদি মদু করিগুম্বা অমত্তা মতেং ওইদে।*

*মখাদা পীরিবা অসি চেকশিন্না অমসুং নুংশিনা মহাক্কী পুন্সি খৃষ্ট পীশিঞ্জরবা কনাগুম্বা মীওই অমদা শন্দোক্লা তাকপীয়ু।*

***(ক)*** *পুন্সিদা খ্বাইদগী মরুওইবা পোৎশক অদু নহাক্লা হৌজিকমক ফংজরে, যীশু। (বাইবল) শাশত্রনা মসিবু থ**ব্লা**য়দা পোকপা নম্রগা থ**ব্লায়**না অমুক পোকপীবা হায়না কৌই। য়োহন ৩ঃ৩, ৫-৬*

*(খ) নহাক হৌজিক ঈশ্বরগী মচা অমা ওইরে অমসুং মহাক্কীদমক হিংবগী পাঙ্গল অদু লৈরে (য়োহন ১ঃ১২-১৩, রোমী ৮ঃ১৫-১৭) মরমদি মহাক্কী থ**ৱা**য় অশেংবা অদু নঙোন্দা লৈরে। ঈশ্বরনা নংবু থ**ৱা**য় অশেংবনা থলহনবা দরকারসু লৈ। করিগুম্বা মসি ঐখোয়না হংজবা তারগদি মসি তৌবীনবা ঈশ্বরনা **ৱা**শকপী। (মখোয়শিং অদু থ**ৱা**য় অশেংবনা থলহনবা অদুদা চিংবীয়ু) পাখোলচৎপ ২ঃ৪; ৪ঃ৩১; লুক ১১ঃ১৩*

*(গ) ঈশ্বরনা নহাকপু মহাক্কী থৌদাং অদু মপুং ফানা নংগী পুন্সিদা তৌবা ঙম্নবা কনবীবনি। অসুম্না নংগী মপানথোংগী ওইবা হকচাং হিংনবা অমসুং চাওখৎনবা চিঞ্জাক দরকার লৈবগুম্না, নংগী নৌনা পোক্লবা থ**ৱা**য় অদুসু চাওখৎনবা অমসুং ঈশ্বরগী থৌদাং অদু মপুং ফাহনবা নুমীৎ খুদিংগী থ**ৱা**ইগী ওইবা চিঞ্জাক চাবা দরকার লৈ। অসিগুম্বা থ**ৱা**য়গী ওইবা চিঞ্জাক অদুদি ঈশ্বরগী **ৱা**হৈ, বাইবলনি, মসি নংনা নুমিৎ খুদিংগী থিবা, পাবা অমসুং ইনবা দরকার লৈ। লুক ৪ঃ৪; রোমী ৬ঃ১৭-১৮; ২ তিমোথি ১ঃ৯*

*(ঘ) অসুম্না অঙাং অমনা চাওখৎলকপা অমসুং তল্লকপা মতমদা খুদি থিজনবা অমসুং তুবা য়াওবগুম্না, নংনা থ**ৱা**য়দা চাওখৎলকপা মতমদা মুক্রুবা কয়া অমা য়াওগনি। অদুবু মদুদা থাদোকপা তৌগনু। নংগী পাপশিং অদু হায়দোকপা কাওগনু, ঈশ্বরগী **ৱা**হৈদা ইন্নবা থিজৌ অসুম্না নংনা থ**ৱা**য়গী ওইবা লম্বী অদুদা চাওখৎপা ঙমগনি। ঈশ্বরনসু নহাক্কী মতেং পাংবীগনি। ২ য়োহন ১ঃ৯; ২ঃ১; ১ঃ১৪; য়োহন ১৬ঃ১৩; ১৪ঃ২৬-২৭; এফিসা ৩ঃ১৬*

*(ঙ) নহাক মীওইবা অমা ওইনা (হকচাংদা শোনবা য়াই) নংনা খৃষ্টদা কখোকচবা অদু নংনা অমুক নৌথোকহনবা দরকার লৈ অমসুং নংগী অনিংবা তৌবগী মহুত্তা ঈশ্বরগী অনিংবা অদু তৌনবা নুমিৎ খুদিংগী প্রাথনদা মহাক্কী থ**ৱা**য়না থন্নবা হায়জৌ।*
*লুক ৯ঃ২৩; য়োহন ১৫ঃ৭, ২৩-২৪; গলাতিয় ৫ঃ১৬, ২৫, পাখোলচৎপা ৪ঃ৩১; এফিসা ৫ঃ১৮*

*(চ) নহাক্না অতোপ্পশিংগী মফমদা খৃষ্টনা নংগীদমক তৌবীবশিং অমসুং মহাক্না নহাক্কী ঈশ্বর অমসুং কনবীবা মপুনি হায়না হায়দোকনিংগদবনি। মসিনা নহাক্কী ফজবা অদু কনখৎহনগনি অমসুং ঈশ্বরনা নহাকপু থৌজানবীগনি। পাখোলচৎপা ১ঃ৮; মথি ১০ঃ৩২-৩৩; লুক ১২ঃ৮-৯; য়েমস ৫ঃ২০ ঈশৈ ১২৬ঃ৫-৬*

*(ছ) নহাক ঈশিংদা লুপ্পা দরকার লৈ অমসুং অকোয়বদা লৈবা বাইবলদা থাজবা শীংলুপ অমগী শরুক ওইগদবনি। নহাক নংগী পাপশিংদগী থোরক্লে অমসুং খৃষ্টদা অনৌবা মী অমা ওইরে হায়বসি ময়ামগী মফমদা শাক্ষী ওইগদবনি। থ**ৱা**য়গী ওইবা লম্বী অদুদা মপুং ফানা লৈননবা নহাক অতোপ্পা ঈশ্বর থজবা মীওইশিংগা শরুক য়ামীন্নগদবনি। পাখোলচৎপ ২ঃ৩৮-৩৯; রোমী ৬; ঈব্রিয় ১০ঃ২৪-২৫*

# *তুংইনবা*

*কনাগুম্বা মীশক অমা খৃষ্টগীদমক কখোকচরবা অমসুং নুমিৎ খুদিংগী মাগীদমক হংলে হায়বা নংনা খঙলবা মতমদা মহাক্কী মমিং, লৈফম অমসুং ফোন নম্বর লৌশিল্লু। মখোয়দা বাইবল অমা নত্রগা অনৌবা ব্রারেপনবা পীবীয়ু। করিগুম্বা ঙম্বা তারবদি পুং ২৪গী মনুংদা নশামক য়াওনা তাকপীয়ু। করিগুম্বা নং নশামক্না তাকপীবা ঙমদ্রবসু কনাগুম্বা মদু তৌবা ঙম্বা অতোপ্পা অমা থাবীয়ু। নংনা করিগুম্বা মখোয়বু মাংওইননা য়েংনবা ঙমদ্রবদি বাইবল তম্বগী শরুক অমা মখোয়গী মফমদা পীবীবা অসি য়াম্না ফৈ। মখোয় মনাক নকপা শীংলুপ অমদা মপুং ফানা লৈবা ঙমজদ্রি ফাওবা মখোয়গা ফোনদা নত্রগা চিঠি থাদুনা মখোয়গা পাও ফাওননবা হোৎনবীয়ু (য়ারবদি হপ্তাগী ওইনা)*

***শমশ্যশিং নৈনবা***

*১)* *<u>মখোয়না হায় ঐ যীশুদা থাজে</u> (অদুবু তশেংনমক মখোয়গী অপাম্বা অদুদা মখোয়না থবক তৌরী)*

***পাওখুমঃ*** *যীশুনা হায় ঐঙোন্দা প্রভু, প্রভু, হায়বা মী খুদিংমক্না স্বর্গ লৈবাক্তা চংলোই, তৌইগুম্বসুং স্বর্গদা লৈবা ইপাগী নিঙবা তৌরিবা মী অদুদি চংগনি। মাথি ৭ঃ২১ নহাক যীশুগীদমক হংননবা নংগী থম্মোয়দা লেপচরব্রা নত্রগা স্বর্গদা চৎননবগীদমক মহাক্কী মমিং লৌরিব্রা?*

*২)* *<u>ঈশ্বরনা কনাগুম্বা অমতা নোরোক্তা থারোয়।</u>*

***পাওখুমঃ*** *নহাক্না অসুম্না হায়দুনা চংশিলু "নংনা মদু হায়বীবগীদমক ঐ য়াম্না নুংঙাইজরে" মরমদি নংনা মরুওইবা ব্রাহংশিং অদু হংবগীদমক। ঐখোয়না করম্না খঙলিবনো? নহাক্না করম্না খঙলিবনো? ঈশ্বর অসি অসুম্না তৌই হায়বসি নহাক্না করম্না খঙলিবনো? ঐখোয়না মদু খংননবা লম্বী অনি লৈঃ*

*(১) অমদি মীওইবগী ওইবা। ঐখোয় ইচম চম্না ফমথরগা ঈশ্বরগী মতাংদা খল্লগনি অদুগা করিগুম্বা ব্রারোয়শন অমা য়োরগনি। মসিগী মওং মতৌ অসিনা মীশিংবু তোঙানবা ধর্ম্মগী ওইবা প্রাখল অমদা পুরগনি। কনাননো মসিগী চাংদম অসি অচুম্বনি হায়গদৌরিবা। (২) অতোপ্পা অদুনা ফোংদোকপিবনি। ঈশ্বরনা মশামকপু মহাক্কী শাশত্রগী অমদি মচা নুপাগী মপান্না ফোংদোকপী। মতাং অসিদা ব্রাহং অসি কনাগুম্বা অমনা হেক্তা খনবগী ব্রাফম নত্রে, অদুবু ঈশ্বরনা মহাক্কী ব্রাইবল অমসুং মচা নুপা, যীশুগী মপান্না মহাক্কীদমক হায়রম্বা অদুনি।*

*৩)* ***<u>ঐ বাইবলদা থাজদে।</u>***

***পাওখুমঃ*** *কনাগুম্বা খরনা হায়বা য়াই, "ঐ বাইবলদা থজদে। নহাক্না করিগুম্বা অতোপ্পা মওং অমদা ঐবু ঞ্জান তাহনবা তাই।" তশেংবদি শাশত্রগী ব্রাহৈশিং অদু ঐখোয়না ঙাকথোক্কদবা নত্রে অদুবু মখোয়দা লাওথোকদবনি। অদুগা মসিগী অথিংবা অসিদা মখাগী লম্বী অসুম্না থেংনবসু য়াই মদুদি নংনা বাইবল থাজদ্রিবসি মমিংলা? মসি পুক্রিং হুনিংঙাইনি অমসুং অশেংবদা নংগী য়াইফবসুনি, অদুবু ঐ নহাক্কী মফমদা ব্রাহং অমদি হংনিংঙি। বাইবল তাকলিবা করম্না কনাগুম্বা অমনা লোম্বা নাইদবা পুন্সি অমসুং স্বর্গদা চৎপা ফংগদগে হায়বসিগী মতাংদা নংনা করি খনবগে (মখোয়না ১০০গী মনুংদা ৯৪দি য়াথং ইনবা নত্রগা মশানা য়াথং ইনবা নত্রগা খৃষ্ট মতৌগুম্না চৎপা হায়না পাওখুম পীরক্কনি) ? মখোয়না অসুম্না পাওখুম পীবা "অদুমক্কি মমিং অদুদনি ঐনা কীরিবসু"। নংনা বাইবলবু মাগী মরু-ওইবা ব্রাপাও অদু শুকখং খঙদনা মদুবু য়াদরে। অদুনা নহাক্কী পাওখুম অসি পুমলান লাল্লি।*

## ৪) *ঐ ঈশ্বরদা থাজদে।*

***পাওখুমঃ*** *করিতৌবগী নহাক্না থাজদ্রিবনো?*

*(মীশিংনা ঈশ্বর থাজদবগী মরুওইবা মরম অদুদি মখোয় মখোয়গী পাপতগী থাদোক্তুনা ওন্থোকপা পামজদবা অমসুং/নত্রগা ঈশ্বরনা মখোয়বু নুংশিদে হায়না খনজবা নত্রগা মখোয়গীদমক খ্বায়দগী হেন্না অফবা পামবদগীনি। মখোয়গী পাওখুম অদুনা মখোয়গী শামশ্যা অদু করিনো হায়বা তাক্কনি।) ও ঐ খংলে। নংগী শামশ্যা অসি নং পাপতগী থাদোকপীনবা পামজদ্রে নত্রগা ঈশ্বরনা নহাকপু নুংশি হায়না থাজবা অদুনি।*

***শমলম্পাঃ*** *মসিগী অফবা* **ৱা***পাও শন্দোকপদা পীরিবা পোৎলমশিং অসি অফবা* **ৱা***পাও মপুং ফানা নিংথিনা শন্দোক্নবা খুলাই অমনি। মরুওইবা শাশত্রশিং অদু নিংশিংউ, অতোম্পা থাজদবা মীশিংগী মফমদা চৎত্রিঙৈগী মমাঙদা অতোম্পা মীশিংগা মদুদা য়েংমীননবা হোৎনৌ। নংনা মদু হেন্না শিজিন্নরিবমখৈ নংগী শরুক অমা হেন্নো ওইবা ঙমলক্কনি অমসুং মদু নংগী থম্মোয়দগী শিজিন্নবা ঙম্বা অমা ওইরক্কনি। অখন্নবা চৎনবী কাংলুপ অমদা চৎনবগীদমক মপূং ফানা তম্বা দরকার লৈ হায়বসি নিংশিংগদবনি। মসিগী মরী মখোঙ পুন্নমক পীননবগী ঐখোয়গী মফমদা জাগা লৈপ্রে অদুবু মসি* U.S. Center for World Missions, 1605 Elizabeth Street, Pasadena, C.A. 91104 *দা ফংবিগনি।*

*নংনা অতোম্পশিংগী মফমদা অফবা* **ৱা***পাও শন্দোকপদা ঈশ্বরনা হেন্না থৌজানবীবা ওইসনু।*

*শামশ্যাশিং নৈনবগী মতাংদা মথক্কী পোৎলম খরদি* Dr. James Kennedy *গী* ***ৱাপাও শন্দোকপগী পোথায়বা*** *হায়বদুদগী লৌথোকপনি।*

***মরুওইবা ৱাহংঃ*** *নখোয়না তমখিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙম্নানবা ।*

*অফবা* **ৱা***পাও শন্দোকপগী মতাংদা নংনা মপূং ফানা তম্নিংব্রা মদুনা নিংথিনা শিজিন্নবা ঙম্নবা ?*

***থবক ওইনা পায়গদবাঃ*** *ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা নত্রগা মরুপ-মপাংশিংদা অফবা* **ৱা***পাও শন্দোকপা হৌরো।*

**যুম্ফম ওইবা**
**ৱাপাও শন্দোকপা অমসুং**
**অহুমশুবা পারা**
**মশাগী প্রমান**

**মখাদা পীরীবা হিরমশিং অসিগী মতুং ইন্না নশাগী প্রমান অমা ইয়ু।**

১) *খৃষ্ট লৌশিনদ্রিঙৈগী মমাঙগী ঐগী পুন্সিঃ*

২) *করন্না খৃষ্ট দরকার লৈ হায়বসে ঐনা খঙলকপগেঃ*

৩) *ঐ করন্না খৃষ্টিয় অমা ওইরকপগেঃ*

৪) *করন্না খৃষ্টনা ঐগী পুন্সি অসি মগুন লৈহনবগেঃ*

৫) *ঈশ্বরনা নংগী নশাগী দরকার লৈবশিংদা থুংহনবীখিবা পোৎলমশিং অদুগী মথং মনাও শেম্মু (নাবা ফহনবীখিবা, লনথুমগী বরশিং, অসিনচিংবা)ঃ*

## *যুম্ফম ওইবা*
## *ৱাপাও শন্দোকপা অমসুং*
## *মরিশুবা পরা*
## *বাইবলগী ওইবা ৱাপাও শন্দোকপগী*
## *নিতি নিয়মশিং*

***শাশত্র তম্বাঃ*** *পীরীবা শাশত্রশিং অসিগী মতুং ইন্না পাওখুম খুদিমক খুমব্িয়ু ।*

*(ক)* ***প্রাথনা তৌবগী নিতি নিয়ম***

*১) শামশ্যা লৈরবা মতমদা ঐখোয় করি তৌবা তাবগে? (লুক ১৮ঃ১)*

*২) ঐখোয়না তৌগদবা প্রাথনা অদু করিনো? (১ তিমোথি ২ঃ১-৪)*

*৩) অতোম্পশিংনা ঐখোয়গী মতেং পাংলক্লবা ঐখোয় করি তৌবা তাবগে? (মথি ৯ঃ৩৬-৩৮)*

*৪) ঐখোয় থৌনা করম্না ফংগদগে? (পাখোলচৎপা ৪ঃ৩১)*

***(খ) তৌবা ঙম্বগী নিতি নিয়মশিং***

*১) ঐখোয়না তৌবা ঙম্বগী হৌরকফম অসি করিনো? (পাখোলচৎপা ১ঃ৮)*

*২) ঐখোয়গী ৱাপাও অসি করম্না পাঙ্গল পীবগে? (১ কোরিন্থীয় ১ঃ১৮)*

*৩) অতোম্পশিংদা ঈশ্বরগী মতিক মগুন করম্না উহনবগে? (১ কোরিন্থীয় ২ঃ১-৫)*

*৪) ঐখোয়গী ৱাপাও অসিনা তৌবা ঙম্বা শক্তি অদু করিনো? (হিব্রীয় ৪ঃ১২)*

## (গ) মরু হুনবা অমসুং লোকপগী নিতি নিয়মশিং

১) শাক্ষী পীবা অমা ওইনা ঐখোয়গী পুন্নিং করম লৌগদগে? (ঈশৈ ১২৬ঃ৫-৬)

২) ঐখোয়না হুনবগী চাং অদুনা করম্না মহৈ খেৎনহনবগে? (২ কোরিন্থীয় ৯ঃ৬)

৩) করম্বা মওংদা ঐখোয়না হুনবা তাবগে? (গালাতীয় ৬ঃ৭-১০)

৪) ঐখোয়না করি হুনগদবনো, কদায়দা মদু হুনগদবনো অমসুং মহৈ অদু করিনি হায়না লেপকদবনো? (লুক ৮ঃ৬-৮, ১১-১৬)

## (ঘ) চংশিনবগী নিতি নিয়মশিং

১) য়োহন ৪ঃ৫-৪২ দা যীশুনা উৎপীবা নিয়ম নিপান অদু করি করিনো?

২) অফবা ব্রাপাও শন্দোকপদা শিজিন্নগদবা খোঙজং অনি অদু করি করিনো? (য়িহুদা ২২-২৩)

৩) অফবা ব্রাপাও শন্দোকপদা তৌরোয়দবা শরুক অদু করিনো? (২ কোরিন্থীয় ৪ঃ১-৬)

৪) অফবা ব্রাপাও শন্দোকপদা য়াওরোয়দবা পোৎশক অদু করিনো? (তীতা ৩ঃ৪-৯)

## (ঙ) মহৈশিংগী নিতি নিয়মশিং

১) মীওইশিংদা কনানা পুন্নিং হোৌবা অসি য়াহনবগে? (২ তিমোথি ২ঃ২৪-২৬)

২) ঐখোয়না মসি শরুক য়াবা মতমদা ঈশ্বরগী ব্রাহৈনা করি তৌবগে (য়সাইয়া? ৫৫ঃ১০-১১)

**মরুওইবা ৱাহংঃ** *নখোয়না তমখ্রিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙম্নানবা ।*

*নংগী পুন্সিদা পীরিবা নিতি নিয়মশিং অসিদা হাপচন্নিংবা লৈব্রা, লৈরবদি নংনা হাপচন্নিংলিবা অদু করিনো?*

***থবক ওইনা পায়গদবাঃ*** *বাইবলগী ওইবা* **ৱা***পাও শন্দোকপগী নিতি নিয়মশিং অসি মপূং ফানা থীজিন্দুনা নংগী পুন্সিদা শিজিন্নবা হৌরো।*

## *যুম্ফম ওইবা*
## *ৱাপাও শন্দোকপা অমসুং*
## *মঙাশুবা পারা*
## *ৱাপাও শন্দোকপগী পাম্বৈ অমসুং লম্বীশিং*

***কোলোসিয়া ৩ঃ১৭*** *হায় মদুদি ঐখোয়না ঈশ্বরগী মতিক মগুন* **ৱা***হৈনা অমসুং থবক্না থাগৎকদবনি (মহাকসি কনানো হায়বসি শাক্ষী ওইবা)।*

### *(ক) ৱাহৈনা শাক্ষী ওইবা*

**১) *ফোংদোক্লুবা ৱাহৈদু শরুক য়ামীন্নবা***

*(অ) থৌনা ফনা*
*(আ) মীদুদা নম্রগা তেলিফোনদা তৌবা য়াই*
*(ই) ঐখোয়গী নুংতিগী তৌবা ইথৌশিংগী মরক্তা তাঞ্জা ফংবদা*
*(ঈ) অখননবা শাক্ষী পীবগী মওং শন্না হায়রবদা অতোপ্পশিংগা থেংনদুনা*
*(উ) ঈশ্বরদগী ওইবা তাঞ্জা (করিগুম্বা ঈশ্বরনা কনাগুম্বা অমদা চিংলবা মতমদা)*

**২) *অইবা ৱাহৈ***

*(অ) লাইরিক মচাশিং পীদুনা। মতম চুপদা লাইরিক মচাশিং পুগদবনি; অফবা* **ৱা***পাওগী লাইরিক মচাশিং অমসুং অখন্নবা শামশ্যাশিংদা শন্না হায়রবদা দ্রাগ, নিংবা কায়বা অসিনচিংবা নৈনবা লাইরিক মচাশিং।*

*(আ) বাইবল নম্রগা অনৌবা ৱারেপননবা পীদুনা। মসি তৌনবগী লম্বী অমদি মরুওইবা তাঙ্ককশিংদা শন্না হায়রবদা পোকপগী নুমিৎ, খৃষ্টমাস নম্রগা নৌনা কনাগুম্বা লাকপদা খুদোল ওইনা পীদুনা।*

*(ই) ঐখোয়না প্রাথনা তৌরীবা কনাগুম্বা অমদা নম্রগা থৌ পায়রীবা মীওই অমদা চিঠি নম্রগা লাইরিক মচা থাদুনা।*

**৩) বাইবল পীবগুম্না খুদোল পোৎ ওইনা কেসেত (তাবা অমসুং য়েংবা) পীবসু য়াই।**

***নিংশিংবা*** *য়াই মদুদি ঈশ্বরগী* **ৱা***হৈ অসিদা পাঙ্গল লৈ মসিনা অকনবা পল কয়া থুগাই অমসুং অচুম্বদুবু তাকথোকপী (হিব্রিয় ৪ঃ১২, ২ কোরিন্থীয় ১০ঃ৪-৫)। মসি টাইম বোম অমদা চপ মান্নে, ঈশ্বরগী অনিংবা মতমদা পোকখাইবা (য়সাইয়া ৫৫ঃ১১)।*

## *(খ) থবক্লা শাক্ষী পীবা (থৌজানগী সেবা)*

*১) পীননবগীদমক হিংবা পুন্সি মহিং অমা হিংদুনা।*

*২) থ***ৱা***য় অশেংবগী মপান্না ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈবা মীওইশিংগী হকচাংগী, পোৎশক্কী, ***ৱা***খলগী, পুক্নিংগী অমসুং থ***ৱা***য়গী দরকার লৈবদা সেবা তৌদুনা যীশুবু শরুক য়াম্মীন্নবা। (মাথি ১০ঃ৭-৮; /য়োহন ৬ঃ৫-১১, ২৬-২৭; লুক ৬ঃ১৭-১৮; পাখোনচৎপ ১৪ঃ৮-১০)*

*৩) ঐখোয়না সেবা তৌরকপা মতমদা অহানবা ওইবা থবকসি ঈশ্বর থজবশিংদা ওইগদবনি অদুগা তাইবঙপালদা।*

*৪) ঐখোয়না অতোম্পগী দরকার লৈবশিংগী সেবা তৌরকপদা থ***ৱা***য় অশেংবগী লমজিং মতম চুম্পদা থীগদবনি।*

***পুক্নিং থিংজিনবাঃ*** *নহাক্লা মতম চুম্পদা দরকার লৈবদা করিগুম্বা খরা তৌননবা তৌগবদনি। করিগুম্বা ঙমদ্রগনা, নহাক্লা মী অদুগা প্রাথনা তৌমিন্নগদবনি।*

**মরুওইবা ৱাহংঃ** নখোয়না তমখিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙম্লানবা ।

*নহাক্কী পুন্সিদা করম্বা* **ৱা***পাও শন্দোকপগী লম্বী অসি শিজিন্নবা য়াবগে অমসুং মদু শিজিননবা নহাক করি তৌবা তাবগে ?*

***থবক ওইনা পাইগদবাঃ*** *অফবা* **ৱা***পাও শন্দোক্লবা থৌজানগী সেবানা* **ৱা***পাও শন্দোকপা অসি শিজিন্নৌ, অ***ৱা***বদা তারবা কনাগুম্বা অমা থিদোক্লুনা, অমসুং মদুগী দরকার লৈবা অদুদা সেবা তৌদুনা। অদুগা মখাদা করি তৌরে হায়বদুগী শমলম্পা প্রমান অদু ইয়ু।*

## যুম্ফম ওইবা
## **ৱা**পাও শন্দোকপা অমসুং
## তরুকশুবা পরা
## মরুপ মপাংশিংদা **ৱা**পাও শন্দোকপা

***পান্দমঃ*** *নুংতিগী তৌরিবা ইথৌ অদুগী মরক্তা ঈশ্বরনা ঐখোয়দা থারকপা মীওইশিংদা অফবা* ***ৱা****পাও শন্দোকপা।*

***পন্থুংঃ*** *অসুন্না ঈশ্বরনা পীবীবা তাঞ্জাশিংদা ঐখোয়না অতোপ্পশিংগী মফমদা শাক্ষী ওইনা লেপ্পুনা।*

### *নিয়মশিংঃ*

*১) অমুক্তং নম্রগা নহৌননা থেংনবদা*
*২) অসুম চৎলিঙৈদা য়েংনদুনা*
*৩) শেম শাদুনা য়েংনবা*

### *খোংথাঙঃ*

*১) ফংহৌদ্রবা মরুপ-মপাংশিংগী লিষ্ট অমা শেম্মু (ইমুং-মনুংগী মীশিং, য়ুমলোন কৈরোন্নবশিং, থবক তৌমিন্নবশিং, খুৎনেকশিং, শিংলুপ্তা য়েংনবা মীশিং, অসিনচিংবা) নুমিৎ খুদিংগী অনৌবা মীশিং হাপচিনলু অসুন্না নংনা নৌনা থেংনবশিংদা শাক্ষী পীদুনা।*

*২) তোয়না মখোয়গীদমক প্রাথনা তৌবীয়ু (য়ারবদি নুমিৎ খুদিংগী) মখোয়গী মফমদগী সৈতানগী ওইবা পাঙ্গলশিং থুগায়নবা ঈশ্বরদা হংজৌ, মহাক্কী থ****ৱা****য় অশেংবনা চিংনবা হায়জৌ, মখোয়দা পাপ, ধর্ম্ম চেনবা অমসুং ¾çয়েল অদু ফোংদোকপীনবা হায়জৌ।*

*৩) নংনা নুংতিগী নৌনা থেংনবা মীওইশিংদা অঙম্বা মখৈ প্রভু যীশুবু শরুক য়ানবা হোৎনজৌ। অহৌবা থেংনবা অদুনা মীশক অদুদা ঈশ্বরগী* ***ৱা****রি শানবগী তাঞ্জা ওইবসু য়াই।*

*৪) মমাংদা হান্না যীশুগী মতাংদা অফবা* ***ৱা****পাও শান্নখ্রবা মীওইশিংদা অমুক তাঞ্জা ফংবদা । অসুম নংনা নংগী নুংতিগী থৌরমশিং খনলিঙৈদা অমসুং নংনা খঙবা ঈশ্বর থজদবা মীওইশিং থেনরুবদা শাক্ষী পীবা য়াই। অদুদসু নত্তনা থাজদবা মরুপ-মপাংশিং থেংনবা মতমদা ঈশ্বরগী ওইবা তাঞ্জা থীদুনা যীশুবু শরুক য়ান্নীনবা য়াই, অদুদসু নত্তনা মখোয়গী দরকার লৈবদা মতেং পাংদুনা তৌবসু য়াই।*

*৫) নংনা শেমদোক্লবা লিষ্ট অদুদগী হাপ্তা অমদা কনাগুম্বা অমা থেংনদুনা ঈশ্বরগী অফবা* ***ৱা****পাও তাকথোক্লবা শেম্মু। মখোয়বু য়েংনৌ নম্রগা অফবা* ***ৱা****পাওগী মতাংদা পাও পীবীয়ু অতোপ্পা ঈশ্বর থজবা অমগা লোয়ননা।*

*৬) শাক্ষী পীবা মতমদাঃ*

*(ক) অফবা* **ব্রা***পাও অদু য়ারীবা মখৈ* **ব্রা***রি শানৌ অমসুং/নম্রগা নংনা অঙম্বা মখৈ নশাগী প্রমান পীউ।*

*(খ) লাইরিক মচা অমা অমসুং/নম্রগা বাইবল পীবীয়ু নম্রগা য়ারবদি অনৌবা* **ব্রা***রেপনবা ওইয়ু।*

*(গ) প্রাথনাগী দরকার লৈব্রা হায়বদু মখোয়দা হংবীয়ু অমসুং মখোয়গা প্রাথনা তৌমিন্নৌ য়ারবদি উনবা অদু লোয়দ্রিঙৈদা।*

*৭) করিগুম্বা মীওই অদু খৃষ্ট লৌশিনজবা তারবদি মখোয়দু সেবক ওইননবা হোৎনবীয়ু।*

*৮) করিগুম্বা মীওই অদুনা খৃষ্ট লৌশিন্দবা তারবদি মখোয়গীদমক তুংদা অমুক য়েংননবা থোঙ লাওনা হাঙদোকলগা থম্বীয়ু।*

***নিয়মশিংঃ*** *(তরেৎশুবা পরাদা য়েংউ, য়ুম য়ুম চৎতুনা* **ব্রা***পাও শন্দোকপা)*

**মরুপ-মপাং ওইবদা ব্রাপাও শন্দোকপগী কান্নবশিং।**

*১) নংগী অনকপদা অমসুং অচানবশিংদা খৃষ্টগী মতাংদা শরুক য়ামীন্নবা - মসি মশানা তৌফম থোকপা মথৌনি।*

*২) মপানা মচাদা, মরুপনা মরুপতা, য়ুমলোন্নবনা য়ুমলোন্নবদা, থবক তৌবনা থবক তৌবদা মসি য়াম্না কান্ননিঙাই ওইবা পোৎশক অমনি, অসুম্না ঈশ্বরগী* **ব্রা***হৈ শন্দোকনি।*

*৩) নুংশিবীবা, চেকশিন্না শরুক য়াবা, সেবক শেম্বগী দরকার লৈবা অচুম্বশিং হান্নদগী লৈরবশিং - মসি য়াম্না মতেং পাংনিংঙাই, য়োখৎনিঙাই ওইবা পোৎনি।*

*৪) ইমুং-মনুংশিং, মরুপ মপাংশিং, য়ুমলোন কৈরোন্নবশিং অমসুং শাংস্থানশিং, খৃষ্টদা থোরকপা হায়বসি কয়াগী মতিক চাওনা ফংজবা মনানো। মসি হরাওনিঙাই, নুংঙাইনিঙাই ওইবা থবকনি।*

## *মরুপ-মপাঙশিংদা ৱাপাও শন্দোকপগী কান্নবশিং*

*শীংলুপ চাওখৎপগী চাওরাক্লা য়েংবদা হৌজিকী শীংলুপশিংগী মেম্বর অসি চাদা মরিফুদগীনা মরিফুতরা ফাওবদি "মরুপ-মপাং"শিংগী ওইবা থৌগৎনবদগীনি; বিলি গ্রাহামগী ক্রুসেতা য়াওবা নৌনা ঈশ্বর থজবা মীওইশিংগী মরক্তা চাদা মরিফুনিথোয়দি মাগী মাগী মরুপ মপাংশিংনা হান্নদগী কাবা শীংলুপশিংদা মেম্বর ওইবা, "মরুপ-মপাং" নত্তবশিং নত্রগা মীতোপশিংদা ৱাপাও শন্দোকপগী থবকশিং শন্না হায়রবদা "মসি ঐনা ফংলে" লান্নবা য়াওবা মদুদা চাদা অহুম খক্তনি। মতুং ইলহৌরিবা (৯৭%) থাদোকই) অদুগা "মরুপ মপাং" ওইবগী ৱাপাও শন্দোকপা অসি চাদা হুস্কুতরাদগীনা মরিফু ফাওবনি।*

*ফেক কোনসরনিং ফেরন্সিপ ইবানজলিজম খরদি অমসুং মসিগী ফলশিং অসি ওইকোল দগী লৌথোক্কনিঃ ইমুং-মনুংগী ৱাপাও শন্দোকপগী থবক ওইবা পাইখৎকদবদুনা লোত্তরি, য়োনসন, অমসুং হিনকল, বোরোতমোন ১৯৮২।*

***মরুওইবা ৱাহংশিংঃ*** *নখোয়না তমখিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙন্নানবা ।*

*১) ঈশ্বর থজদবা মরুপ-মপাংশিংগী লিষ্ট অমা নংনা শেন্নব্রা? শেমলে................ শেমদে .................*
*শেমদ্রবদি, মদু হৌজিকমক শেন্লো।*

*২) নুমিৎ খুদিংগী নহাক্লা নংগী ঈশ্বর থজদবা মরুপ-মপাংশিংগী প্রাথনা তৌব্রা। তৌই ........ তৌদে .............।*
*তৌদ্রবদি, ঙসিদগী তৌবা হৌরো।*

*৩) য়ামদ্রবদা হাপ্তা অমদা ঈশ্বর থজদবা মরুপ অমদা নহাক্লা যীশুবু শরুক য়ামীন্নব্রা?*
*য়ামীন্নৈ ................. য়ামীন্নদে. ..............। য়ামীন্নদ্রবদি, হন্দক্কী হপ্তা অসিদগী হৌরো।*

*৩) নহাক্লা তঞ্জা ফংবদা নুংতিগী যীশুবু শরুক য়াম্মীন্নবা হোৎনব্রা? হোৎনৈ .............. হোৎনদে ................*
*হোৎনদ্রবদি, ঙসিদগী হৌরো।*

***থবক ওইনা পায়গদবাঃ*** *হপ্তা অসিদা কনাগুম্বা মরুপ অমগী মফমদা শাক্ষী ওইয়ু অমসুং মদুদা করি থোকপগে হায়বগী শমলপ্পা প্রমান অদু ইয়ু।*

**যুম্ফম ওইবা**
**ৱাপাও শন্দোকপা অমসুং**
**তরেৎশুবা পরা**
**য়ুম য়ুম চৎতুনা ৱাপাও শন্দোকপা**

***পান্দমঃ*** *অখন্নবা মফম অমদা ঈশ্বরগী অফবা ৱাপাও অসি য়ুম খুদিংদা ফংহনবনি।*

***দরকার লৈবা পোৎলমশিংঃ***

*১) থেংনরুবা য়ুমশিং অদুগী মমিং, লৈফম অমদি অতোপ্পা মরী মখোঙ ইশিনবা* ***চে নম্রগা লাইরিক।***

*২) শীংলুপকী উন্নবা মতম, সেবারি লৈবা মতম অসিনচিংবা য়াওবা মরী মখোঙ তাকপা* ***শীংলুপকী লাইরিক মচা।*** *নংনা উন্নরুবা মীশিং অদুদা মতেং ওইগদবা দরকার লৈবশিংগী মতাংদা তাকপা শমলপ্পা ৱারোন য়াওবা। লাইরিক মচা অদুদা অফবা ৱাপাও শমলপ্পা তাকথোকপা ওইগদবনি।*

*৩) অফবা ৱাপাও তাকথোকপা অমদি করন্না পুক্নিং হোংগনি অমসুং কান্নবা ফংজগদগে হায়না* ***তাকপা মরুওইবা লাইরিক মচাশিং।***

*৪) ধর্ম্মগী মতাংদা নিশা চেনবগী নম্রগা ইনুং-মনুংগী শমশ্যাশিংগী মতাংদা হংবা ৱাহংশিংগী মরমদা নৈনবা* ***মরুওইবা লাইরিক মচাশিং।***

*৫)* ***বাইবলশিং নম্রগা অনৌবা ৱারেপ্নবশিং*** *অমা ফওবা লৈতবা য়ুমশিং অদু লৈহনবা।*

***পনথুংঃ*** *য়ুম খুদিংগী ইমুং-মনুংগী মীওই খুদিংমক খৃষ্টদা পুরকপা।*

***পন্থুং অদু ফংনবগী তাঙ্ককশিংঃ***

*১) য়াওবা পাল্লিবা মফম অদুগী নক্সা অমা লৈবরা নম্রগা য়েকথোকপরা। নখোয়গী শীংলুপনা উন্নবা নম্রগা থবক তৌরীবা মফম অদুদা থবক হৌগৎপদুনা হেন্না মতেং ওইগনি।*

*২) নক্সা অদুগী অখন্নবা মফম অদুদা থবক তৌন্নবা নিংথিনা তল্লবা টিমদা (অনি নম্রগা অহেনবা মী) পীথোকপা।*

*৩) অখন্নবা মফম অদুদা মখোয়না থৱায়গী ওইবা পাঙ্গলশিং অদুদা আইন্না ওইবা মঙম অদু লৈনবা টিমগী মীওইশিং অদু চরা হেনদুনা প্রাথনা তৌবা হৌরো অমসুং অসুন্না অফবা ৱাপাও অদু শন্দোকপদা ঈশ্বরগী থাও নোয়বীনবা অমসুং জ্ঞান পীবীনবা হংজৌ। য়ুম খুদিংমক অফবা ৱাপাও অদুদা হংদোক্নবা মখোয়না প্রাথনা তৌগদবনি।*

*৪) য়ুম য়ুম চতুনা থেংনবা হৌরো। নংনা লৌরিবা মফম অদুনা লৈবা য়ুম খুদিংমক থেংনদ্রিবা ফাওবা মফম অদুদা হঞ্জিন হঞ্জিন চৎলু। মীশিংনা য়ুমদা লৈবা মতম, য়াহৌরবা মতম, অমসুং চা থক্তনা তৌদবা মতমদা চৎননবা মওং য়েংউ। মফম খরদদি নুমিৎ তারগা থেংনবা হায়বসি অফবা ওইদে।*

*৫) য়ুম য়ুম চৎপগী থৌরাংঃ*

*(ক) করিগুম্বা থোঙগী কাংসি লৈরবদি মদু খিংবীয়ু। করিগুম্বা লৈতবা তারবদি মখোয়না তানবগী চাং অদুমতং লাওনা থোঙদু থীল্লু। সেকেন্দ ৩০ মুক নম্রগা হেল্লবসু ঙায়ু। করিগুম্বা পাওখুম অমত্তা ফংদ্রবদি অমুকা হন্না খিংবা নম্রগা থিনবা তাই। মখোয়না পাওখুম পিরক্লবগী মতম পীবীয়ু। করিগুম্বা অদুদসু পাওখুম ফংদবা তারবদি, মমিং, মথা অমদি তারিক ইশিল্লু অমসুং নংনা য়ুম য়ুম চৎপগী মরী মখোঙ য়াওবা চে নম্রগা লাইরিক অদুদা অতোপ্পা মতেং ওইবা য়াবা মরী মখোঙশিং অদু ইশিল্লু।*

*(খ) কনাগুম্বা মী অমা য়ুমদা লৈরম্বা তারবদিঃ*

*১) নাশা নথন্তা হান্না তাকথোকচৌ।*

*২) মীশিংগী থ**ৱা**য়গী দরকার লৈবা অদু ফংনবা মফম অদুদা উন্নবনি হায়বসি তশেংনা তাকথোকউ।*

*৩) মখোয়সু **ৱা** ঙাংহনলু। মখোয়গী থবক, ইমুং মনুংগী অসিনচিংবগী মতাংদা **ৱা**হংশিং হংবীয়ু।*

*৪) মখোয়দা হংউঃ*

*(ক) জিলা অসিদা নং কয়াম কুইনা লৈরক্লবগে হায়বদু হংউ?*

*(খ) নং অখন্নবা ধর্ম্ম অসিদা করন্না হৌরকলিবনো?*

*(গ) অখন্নবা শীংলুপ অমদা নং হৌজিক কারিব্রা?*

*(ঘ) পুন্সিগী ওইবা শামশ্যাশিং অসিগী মতাংদা ঐনা করিগুম্বা খরা শরুক য়াজৌরা?*

*অফবা **ৱা**পাওগী লাইরিক মচাশিং নম্রগা অনিশুবা পারাদা পীবা মরুওইবা শরুকশিং অদু শিজিন্নদুনা ঈশ্বরগী **ৱা**পাও অদু শন্দোকউ।*

*(৫) ইমুং-মনুংগী থ**ৱা**য়গী ওইবা দরকার লৈবা অদুদা চপ চানা লেপ্পবা তৌ। মসিগী ময়াম অসি নংগী চে নম্রগা লাইরিক অদু য়ুম অদু থাদোক্লবা মতুংদা ইশিননবা থমজৌ।*

*(৬) করিগুম্বা মখোয়না ঈশ্বরগী **ৱা**পাও অদু লৌশিনবা তারবদি, মপনশুবা পারাদা পীবগুম্না মখোয়না মতুং ইঞ্জনবা থৌরাং অদু তৌবীয়ু।*

*(৭) করিগুম্বা মখোয়না অফবা **ৱা**পাও অদু লৌশিন্দবা তারবসু নংনা মদু শরুক য়াবদা য়ারবা অদুগা মখোয়গী থোঙ অদু তুংগীদমক হাংদোকনা থম্মু।*

*(৮) মতম চুপদা প্রাথনা লোয়শিন্নবা হোৎনৌ। অখন্নবা প্রাথনাগী দরকার লৈবরা হায়না মখোয়দা হংউ।*

## *য়ুম য়ুম চৎপগী নিয়মশিংঃ*

*১) মতম চুপদা মমোন নোকপা অমসুং নোল্লুকপা অমসুং হৌনখংবা ওইয়ু। মখোয়না মতম পীবগীদমক থাগৎলু।*

*২) মতম চুম্পদা* **ব্রা**হং *খুদিংগী পাওখুম থমলম্মু (মমোন মিনোক, অফবা* **ব্রা**পাওগী *লাইরিক মচাশিং অমসুং মখোয়গী মতমগীদমক থাগৎপা ফোংদোক্তুনা)*

*৩) মখোয়গী পাওখুমদু ইশিনল্লু অমসুং নংনা মখোয়গী ময়ুম অদুদগী থোরক্লবা মতমদা অতোম্পা মরী মখোঙ অদু নংগী লাইরিক অদুদা ইশিল্লু।*

*৪) য়ারিবা মখৈ নিংথিনা অমসুং তরু তনান্না ফিরোন শেৎলু। মথোঙ মরম খঙদনা শেৎপবুদি পংশেৎ শেৎপনা হেন্না ফৈ।*

*৫) করিগুম্বা য়ারবদি লুহোংলবা মতৈ মনাও অনি অনি চৎপনা হেন্না ফৈ। করিগুম্বা লুহোংলবা মতৈ মনাও য়াওদ্রবদি মী অহুমগী কাংবু অমা শেম্মু, মদুগী মনুংদা মান্নদবা লিঙ্গ অমা ওইগদবনি।*

*৬) করিগুম্বা অঙাংনা পাওখুম পীরকপা তারবদি মখোয়গী মমা নপ্রগা মপা অদুগা* **ব্রা**রি *শাননবা হংউ।*

*৭) থোংজিন্দা ঙাইরিঙৈগী মতমদা, থোঙদগী খিত্তং লাপতক্লা লেপ্তুনা লৈয়ু অমসুং হৌনা হৌনা* **ব্রা**রি *শানগনু মরমদি কনাগুম্বা অমনা নখোয়বু য়েংশিনলম্বসু য়াই।*

*৮) নখোয়না থোরকপা অদুদা কংলুপ অদুগা* **ব্রা**রি *শান্নগনু। তাগদবা মী অদুনা তাররোয়দবা মতম অদু ফওবা নখোয়না ঙাইদুনা লৈয়ু।*

*৯) নংনা থেংনরুবা মীওইশিং অদুগীদমক মতম চুম্পদা প্রাথনা তৌবীয়ু।*

*১০) নখোয়না থেংনরুবা মীশিং অদুগী মফমদগী হলক্লবা মতমদা কংলুপকী মেম্বরশিং অদুনা অমগা অমগা শেমদোক্লদুনা হেন্না ফগৎনবা য়েংউ।*

*১১) নংনা অহানবা উন্নবা চৎপা মতমদা মখোয়গী মফমদা মতম লৈতবা তারবদি, মখোয়গী অশংবা মতম অদু হংউ অদুনা নংনা অমুক মখোয়বু উন্নবা লাকননবা। নংগী লাইরিক অদুদা মখোয়গী অশংবা মতম অদু ইসিল্লু।*

*১২) য়ুম খুদিংমক্তা মতম চুম্পদা অফবা* **ব্রা**পাওগী *লাইরিক অমা থমলন্নবা হোৎনৌ।*

*১৩) মখোয়না অফবা* **ব্রা**পাও *অদু মপুং ফনা তাদ্রিবা ফওবা য়ুম খুদিংমক্তা ওন্ননা চৎপা অদু লেপকনু। মখোয়না খৃষ্টগী মফমদা চংজরক্লবা মতমদা, মতুং ইন্দুনা চৎপা ঙম্ননবা থৌরাং অদু তাকপীয়ু (মপনশুবা পরা)।*

*মথক্তা পীরিবা তাঙ্ককশিংদগী পন্থুং ফাওবা নিংশিংউ। নহাকপু তাকপীরিবা অদুনা নহাক্কী থবক অদু অচুম চুমদা য়েংলব্রা?*

***মরুওইবা ৱাহংশিংঃ*** *নখোয়না তমখিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙম্লানবা ।*

*১) য়ুম য়ুম চত্তুনা অফবা* ***ৱা****পাও শন্দোকপসি নহাক তৌবা হৌরব্রা? হৌরে ............ হৌদে .............. হৌদ্রবদি, কনাগুম্বা কংলুপ অমগা লোয়ননা চত্তুনা করম তৌবগে হায়বদু য়েংউ, অসুন্না নহাক অসিগুম্বা সেবা অসিগীদমক কৌরব্রা হায়বদু য়েংননবা।*

*২) নহাক অসিগুম্বা মখলগী* ***ৱা****পাও শন্দোকপা অসিদা কৌরবা তারবদি নহাক মদু তৌগদ্রা? তৌগনি ............. তৌরোয় ................ , তৌদ্রবদি ঙসিদগী মদু তৌবা হৌরো।*

***থবক ওইনা পায়খৎকদবাঃ*** *য়ুম য়ুম চত্তুনা অফবা* ***ৱা****পাও শন্দোকপগী কাংলুপ অদুদা য়াওবা অমসুং মদুদা শমলপ্পা করি থোকপগে হায়বগী প্রমান অদু ইবা।*

**যুম্ফম ওইবা**
**ব্রাপাও শন্দোকপা অমসুং**
**নিপানশুবা পারা**
**লম্বী চত্তুনা সেবা তৌবা**

**পান্দমঃ** অখন্নবা মফম অমা নন্ত্রগা মীয়াম অমা তাশিন্দুনা অফবা ব্রাপাওগীদমক শেম শাবা।

**পন্থুংঃ** অচুম্বগী পুক্লিং/নুংশিৎ অমা শেমগৎপা, অদুনা মীশিংনা মনিং তম্বা ফংননবা।

**১) থৌওং- মরুশিং হুনবা**

(ক) অমগী মথংদা অমা (ঈশ্বর থাজদবশিংগা মরী শেমগৎলু, অসুন্না মখোয়গী থম্মোয় অদুদা খৃষ্ট লৌশিন্নবা শেম শাবা)

(খ) লাইরিক মচাশিং

(গ) খুদমশিং

(ঘ) ক্রুস

(ঙ) লম্বীদা ব্রাতাকপা - অফবা ব্রাপাওদু লাওথোকপা

১) হিরম - হিরম অদু করিনো?
২) খুদম্না অমদি য়েক-খোক্তুনা মদুগী মরম করিনো হায়বদু ঐখোয়দা উৎলু।
৩) শিজিন্নবা - ঐখোয়না করি তৌবা তাই?
৪) নংগী ওইফম থোকপা অদু নিংথিনা খঙবা।
৫) নংগী ভাবোক্তু নিংথিনা খঙবা।
৬) ফজনা থাদোকপা
    (ক) হাকচাংগী ইঙ্গিৎ শিজিন্নবা
    (খ) পুন্সিনবগী হিরমশিং - নহাক করিগীদমক ব্রারি শারি হায়বদু খল্লু
    (গ) হল্লকপা/পাওখুম - মখোয়না নংবু করম্না উরিবগে হায়বদু য়েংশিনবা।
    (ঘ) থৌনাফবা - ফাজিন্দনা ঙাংথোকপগী নিংতম্বা

(চ) ঈশৈ
(ছ) দ্রম্মা
(জ) সিনিমাশিং
(ঝ) চেকশিন্না ব্রারিশাবা অমসুং য়েকপা

## ২) *নিয়মশিংঃ*

*(ক) নংগী থ**ব্রা**য়দা শেম শাদুনা লৈজে*
*(খ) ইশাগী ওইবা শকওং*
*(গ) য়াওমিন্নবা মী অমগা লোয়ননা চৎমীন্নৌ*
*(ঘ) মথক থোংবশিংনা হায়বা ইনবা (অয়াবদা)*
*(ঙ) নমদুনা নম্রগা মরৈ য়েত্তুনা তৌগনু (চাক লামদবা অমা নমদুনা চাও হায়বা য়ারোই)*
*(চ) নশা নথন্তা নম্মফু সসন্দগী লৌথোকচৌ*
*(ছ) দরকার লৈবশিংদা মিৎশিং নাশিংবা*
*(জ) দরকার লৈবা মতমদা তুংইনবা*
*(ঝ) থাজবা য়াবা ওইবা (করিগুম্বা মতমদা সেবারিশিংনা ফল য়াওদনা শাক্ষী পী)*
*(ঞ) ফল অদু ঈশ্বরগী মখুত্তা পীশল্লু*

## ৩) **হকচাং অদু তুংইন্নবগীদমক শেম শাবাঃ**

*(ক) কখোল্লবা শিন্নথোকপা পুন্সি মওং অমা হিংননবা মেম্বরশিংবু তম্বীবা*
*(খ) সেবা তৌবগী খুদোংচাবশিং অদু শেম শাবা*
*(১) কোফী থকফমশিং*
*(২) দুত তারিবা, সেবা তৌবগী মফমশিং, মীশিংবু কৌশিনবা অমসুং সেবক শেন্নবগী য়ুমশিং*
*(৩) শেৎনবগী অমদি চানবগী অচিকপা কা*
*(গ) নৌনা ঈশ্বর থাজদুনা খৃষ্টগী ওইবা পুন্সি অদু হিংবদা মতেং পাংননবা ইচিন ইনাওশিং তাকপী তম্বীবা।*

***মরুওইবা ব্রাহংশিংঃ*** *নখোয়না তমখিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙন্নানবা ।*

*১) লম্বী চত্তুনা সেবা তৌবগী করম্বা থৌওংনা মহাক্না তৌবা ঙমগনি হায়না খনবগে?*

*২) নিংথিনা শেম শাদনা ঈশ্বরগী অফবা **ব্রা**পাও অসি হায়দোকপদা নহাক্কী করি মোৎ লৈবগে?*

*৩) মমাংগী **ব্রা**হং অনি অদুদা পীরিবা থৌওংশিং অদু নহাক্না করম্না অমদি করম্বা কান্দা তৌবা হৌগদগে?*

*৪) করম্বা লম্বী চত্তুনা সেবা তৌবগী নিয়মশিং অদুদা নহাক্না ইনবদা **ব্রা**না থোকপগে অদুগা করি মরমগীনো?*

*৫) অসুন্না নৌনা থাজরক্লিবা মীওইশিংদু নিংথিনা লোয়নবা ঙম্নবা নহাক্কী শীংলুপ অদু চাওখৎনবা নহাক্না করি মতেং পাংবা য়াবগে?*

*৬) নংগী নমাংদা থল্লিবা তুংইনবা ঙম্নবগী পাম্মৈশিং অদু নংনা করম্না চাওখৎহনগদগে?*

***থবক ওইনা পায়গদবাঃ*** *কাংবু অমগা লোয়ননা লম্বীদা চত্তুনা সেবা তৌ অমসুং মখাদা করি করি থোকপগে হায়বদুগী শমলপ্পা শাক্ষী অদু ইয়ু।*

**যুম্ফম ওইবা**
**ৱাপাও শন্দোকপা অমসুং**
**মাপনশুবা পারা**
**তুংইনবা**

***পান্দমঃ*** *নৌনা ঈশ্বর থাজবা মখোয়দা মদু ঈশ্বরগী খৃষ্টগী ওইবা পুন্সি অমা হৌগৎহনবা অদুনি, অসুন্না মখোয়না যীশুগীদমক হিংবা ঙম্ননবা।*

***পন্থুংঃ*** *নৌনা থাজবা অদু লিংখৎপাঃ*

*১) নুংতিগী বাইবল তম্বা*
*২) নুংতিগী প্রাথনা তৌবা*
*৩) ইশিংদা ইরুপ্পা*
*৪) থৱায়না থনবা পুন্সি*
*৫) শীংলুপ্তা শরুক য়াওমীন্নবা*
*৬) মখোয়গী পুন্সিগীদমক ঈশ্বরগী অনিংবা থীবা*

***খোঙথাংঃ***

*১) অহানবা থেংননবা শেম্বা। ফোন তৌবা নত্রগা উন্নবা (য়ারবদি পুং ২৪গী মনুংদা) থেংন্নবগী মতম অমা শেম্বা।*

*ইচম চম্না ৱারি শান্নবা (অতোপ্পাশিং তুংইনলক্লবা শেম্বীরিবা মখোয়গীদমক)*

*হোয়! ঐ ................. অদুগী ........................ শীংলুপ্তগীনি, ঐ থাজৈ ..................... মমাংদা যীশু লৌশিন্নবগীদমক প্রাথনা তৌখিবা ............ । ঐখোয় নংগী খৃষ্টগী ওইবা পুন্সি অদু হৌগৎপদা মতেং পাংনিংই ঐখোয় অমুক্তং য়েংনবা য়াগদ্রা ................ ।*

*২) বাইবল তম্বা হৌরো। মরুওইবা খৃষ্টগী পুন্সি হায়বা অদুগী অহানবা পরা অদু অহানবা উন্নবদা তাকপিয়ু।*

*৩) বার্তোন তৌদুনা নত্রগা শীংলুপ্তা পুরক্তুনা।*

*৪) য়ারবদি, হপ্তা অমদা মখোয়গা অনিরক থেংননবা তৌবীয়ু মখোয়না মপুং ফানা শেমগৎচদ্রিবা ফাওবা।*

*৫) মখোয়বু নুংতিগী প্রাথনাদা, ঈশিংদা ইরুপ্পদা থৱায়না থনবা পুন্সি অমসুং মখোয়গী পুন্সিগীদমক ঈশ্বরগী অনিংবা থীবদা থৌগৎপীবা।*

*৬) তাকপীনবগীদমক নশা নথন্তবু ফংহনবা নত্রগা মরুওইবা দরকার লৈবশিংদা মতেং পাংনবা।*

***মরুওইবা ৱাহংঃ*** *নখোয়না তমখিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙম্লানবা ।*

*পরা অসিদা পীরিবা তুংইল্লকুবগী লমজিং লমতাকশিং অদু নংনা শিজিন্নব্রা?*

*শিজিন্নৈ .............. শিজিন্নদে..............। শিজিন্নদ্রবদি, মদু ঙসিদগী শিজিন্নবা হৌরো।*

***থবকওইনা পায়গদবাঃ*** *মথক্তা পীরিবা লমজিং লমতাকশিং অসি শিজিন্নদুনা মীশিংবু ঈশ্বরগী সেবক ওইহল্লু।*

## *যুম্ফম ওইবা*
## *ৱাপাও শন্দোকপা অমসুং*
## *তরাশুবা পরা*
## *নিংশিংগদবা হিরমশিং*

***পান্দমঃ*** *মথি ২৮ঃ২৮-১০ গী মতুং ইন্না ঐখোয়গী ইথৌদি সেবক শেম্বনি (নুংতিগী মখোয়গী থম্মোয়গা লোয়না যীশুগীদমক হিংবশিং)। সেবক অমা শেম্নবা নখোয়সু সেবক অমা ওইবা তাই। সেবা তৌবা অমসুং শীংলুপ শেমগৎপা হায়সি ৱাপাও শন্দোকপা অমসুং সেবক শেম্বা য়াওই। মসিগী থৌওং অসি ৱাপাও শন্দোকপা অমসুং সেবক শেম্বা হায়বসি করিনো হায়না উৎপনি। অমসুং নৌনা থাজরবা মখোয়বু করম্না সেবক শেমগদগে হায়বনি।*

***নৌনা থাজবশিং তম্বীবাঃ*** *নৌনা থাজবা অমা সেবক শেম্বদা অনৌবা ৱারেপ্পবদা থৱায় চিংশিল্লিবা মরুওইবা মফম মঙা অদুদা নংসু চিংশিনগদবনি।*

*(ক) মশাগী ওইবা পুন্সি*
*(খ) ইমুং মনুংগী ওইবা পুন্সি*
*(গ) শীংলুপকী ওইবা পুন্সি*
*(ঘ) ৱাপাও শন্দোকপা*
*(ঙ) সেবক শেম্বা*

*নৌনা থাজবা অমা তম্বীবা মতমদা, মখোয় শাশত্রগী ৱাহৈশিং অদু তম্বা ওইসনু অমসুং অদুদগী **মরুওইবা ৱাহংশিং**- অদু হংদুনা মখোয়না হিংবদা তমলুরিবা অদু শিজিন্নবা ঙম্নবা।*

***সেবকঃ*** *নিংশিংবা য়াই মদুদি সেবক অমা হায়বসি নুমিৎ খুদিংগী ঈশ্বরগা শরুক য়াওমীন্নদুনা লৈবা মীশক অদুনি, অসুন্না মখোয়না যীশুগীদমক হিংবা ঙম্নবা।*

***নুংতিগী ঈশ্বরগা শরুক-য়াওমীন্নবদা য়াওবশিংঃ***

***(ক) ঈশ্বরগী ৱাহৈ (পুন্সিগী চিঞ্জাক)***

*১) মসি পাও (এফিসা ৩ঃ৪)*
*২) মসি তম্বা (২ তিমথি ২ঃ১৫)*
*৩) মসিদা ধ্যান তৌ (ঈশৈ ১)*
*৪) মসি চিনফা পু (ঈশৈ ১১৯ঃ১১)*
*৫) মসি ইয়ু (হবাক্কুম ২ঃ২)*
*৬) মসিদা হিংউ (রোমী ৬ঃ১৭-১৮)*
*৭) মসি শরুক য়াম্মীনৌ (১ য়োহন ১ঃ১-৩)*

***(খ) প্রথনা***

*১) নং নশাগী (মথি ২৬ঃ৪১)*
*২) অতোপ্পাশিংগী (১ তিমথি ২ঃ১)*

***যীশুগীদমক হিংবদা য়াওবশিংঃ***

*(ক) শরুক য়াওমীন্নবা (য়োহন ১৩ঃ৩৫)*
*(খ) শাক্ষী পীবা (মাথি ৫ঃ১৬)*

*করিগুম্বা ঐখোয় সেবক অমা ওইরবদি ঐখোয় থৱায়গী লমদা চাওখৎকদবনি। থৱায়দা চাওখৎপগী তাঙ্কক অহুম লৈ, মদুদি (১ য়োহন ২ঃ১২-১৪) ।*

*(ক) অঙাং ওইরিঙৈ*
*(খ) নহা ওইরকপা*
*(গ) মপুং ফারবা*

***থৱায় চাওখৎপদা য়াওবশিংঃ***

*(ক) অকনবা পলশিং নমথদুনা চিংথৎপা অমসুং মশাগী অশোনবশিং লাকথুবা (এফিস ৪ঃ১৭-৫ঃ১৬)*

*(খ) খৃষ্টগী ওইবা ৱাখল অদু শেমগৎপা (২ পিতর ১ঃ৫-১০)*

*(গ) নহাক্কী পুন্সিদা ঈশ্বরগী অনিংবশিং থিদোকপা অমসুং মপুং ফাহনবা (২ তিমথি ১ঃ৯ অমসুং এফিস ৫ঃ১৭)*

*সেবক শেম্বদা য়াওবশিং অদুদি কনাগুম্বা অমগী মশাগী ওইবা অশোনবশিং অমসুং চৎনবী ফজবশিংগী অকনবা পলশিং থুগায়বীবা অদুনি; কনাগুম্বা অমা মশাগী ওইবা ইমুং-মনুংগী ওইবা শীংলুপকী ওইবা অদুদা বাইবলগী মরুওইবা নিতি নিয়মশিং তম্বদা মতেং পাংনবনি অমসুং ৱাহৈনা অমসুং প্রমান্না সেবা তৌদুনা অফবা ৱাপাও শন্দোকপা অমসুং মীওই অদু সেবা তৌবগী থবক অদুদা তম্বীবনি।*

*সেবা তৌবগী থবক অসি যীশুনা তৌরম্বা সেবা অদুগী মখা চত্থবনি। মসিদা য়াওবশিংদিঃ*

*(ক) প্রাথনাগী সেবা*

*(খ) ঈশ্বরগী ৱাহৈগী সেবা*

*(গ) দরকার লৈবদা সেবা তৌবা*

*ঈশ্বরনা মীপুম খুদিংমকপু মখোয়গী লৈরিবা শমশ্যাশিং অদুদগী মায় পাকপা পীবা পাম্মী, মখোয়বু মহাক্কী থবক্তা শিজিন্নদুনা অমসুং মখোয়বু লোম্বা নাইদবা থৌজালদু পীবীদুনা।*

*সেবক শেম্বীবা (থৱায়দা লীরবা ইচিল ইনাও)ঃ অকনবা পলশিং অদু থুগায়বা ঙম্লবা কনাগুম্বা অমা, মখোয়গী পুন্সিগী অশোনবশিং অদু ঈশ্বরগী ৱাহৈনা অমসুং প্রাথনানা লাকথুবা ঙম্বা অমসুং নুমিৎ খুদিংগী মখোয়গী থম্মোয়গা লোয়ননা যীশুগীদমক হিংবা ঙম্বা।*

**থবক ওইনা পায়গদবা সেবক শেম্বগী খোঙথাংশিংঃ**

*(ক) নৌনা থাজবাশিং অদুগী মরী মখোঙ লৌবা (মমিং, লৈফম, অসিনচিংবা)*

*(খ) বাইবল নন্রগা অনৌবা ৱারেপ্নবা পীবা অমসুং মদু করম্না শিজিন্নগনি তাকপীবা।*

*(গ) য়ারিবা মখৈ থুনা ফোনদা নন্রগা চিঠিগী মপান্না মশাগা থেংননবা শেম্বা (য়ারবদি পুং ২৪গী মনুংদা)*

*(ঘ) নংনা অঙম্বা চাংদা ইশাগী পুন্সি, ইমুং-মনুংগী পুন্সি, শীংলুপকী পুন্সি অমসুং ৱাপাও শন্দোকপগী মরু-ওইবা লাইরিকশিং অদুদা নৈনবা।*

**মরুওইবা ৱাহংশিংঃ** *নখোয়না তমখ্রিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙম্নানবা ।*

*১) নহাক সেবক অমারা? মানি ............ নত্তে ............... নন্রবদি ঙসি অমা ওইনবগীদমক লৈপ্লো।*

*২) নহাক নৈনরব্রা অমসুং ঈশ্বরদা চাওখৎচরব্রা অসুম্না অতোপ্পশিং সেবক শেম্বা ঙম্নবা।*
*নৈনৈ ............... নৈনদে .............. নৈনদ্রবদি, মদু ঙসিদগী তৌবা হৌরো।*

*৩) পারা অসিদা পীরিবা মরী মখোঙশিং অসি শিজিন্নদুনা নংনা ঙম্লীবা মখৈ অতোপ্পশিং সেবক শেম্নবা থিব্রা?*
*থি ........... থিদে ............. থিদ্রবদি, ঙসিদগী মদু থিবা হৌরো।*

***থবক ওইনা পায়গদবশিংঃ*** *পীরিবা মরী মখোঙশিং অসি শিজিন্নদুনা নংনা মীশিং ঈশ্বরদা চিংশিন্দুনা সেবক শেম্বা হৌরো। নহাক্লা সেবক শেম্বা অদুদা করি করি থকপগে হায়বগী শমলম্পা প্রমান অমা ইয়ু।*

***হাপচনবা শরুক (ক)***
***নুংতিগী প্রাথনা নিংথিনা তৌনবগী মরী মখোঙশিং***

*১) নুমিৎ খুদিংগী নহাক্লা থেংন্নবা মরুওইবা পোৎশিং অদু ইশিল্লু, মদুগী মথক্তা অতোম্পা থোইদোক্লা থোকপা পোৎশিং, মরু-ওইনা থ***ব্রা***য়গী ওইবা ফোংদোকপা, শন্না হায়রবদা শাক্ষী পীবগী তাঞ্জাশিং অমসুং প্রাথনাগী পাওখুম। নংনা থেংনরুবা মীশিং নংনা লেপ্পা* ***ব্রা****রেপশিং অদুগী মতাংদা শমলম্পা* ***ব্রা****ফম অদু ইশিল্লু অমসুং নহাক্লা তৌখিবশিং অদুগী মশীং পুথোকউ। নহাক করন্না শেমদোক্লদগে অমসুং অশোয়বদগী করন্না নাথৈগদগে হায়বদু ইশিল্লু।*

***খুদমঃ*** *জোনু***ব্রা***রি ৩, ১৯৯২*

*থবক তৌননবা চৎলে। ঐনা প্রাথনা তৌরীবা জোনগী মফমদা যীশুগী শরুক য়ামীন্নরে। ঐগী প্রাথনাগী অদুগী মতুং ইন্না তৌবা প্রাথনা অমসুং মখি ২৪ গী মতুংইন্না অরোয়বা মতমগী মতাংদা জ্ঞান তারে (তন্নবগী চেশিং অদুদা য়েংউ)। পেসাগী অ***ব্রা***ৎপা/দরকার লৈবা খরাদা প্রাথনা তৌরে (প্রাথনাগী নুংতিগী চে অদুদা য়েংউ)।*

*২) প্রাথনাগী লিষ্ট অমা শেম্মু - থজদবা মীশিং, শীংলুপকী মীওইশিং, রাজনিতিগী অমসুং থ***ব্রা***য়গী লুচিংবশিং সেবা তৌবশিং অমসুং দরকার লৈবশিংগী মতাংদা মচা খাইনা খায়দোক্কুনা।*

***খুদমঃ***

| *থাজদবা* | *শীংলুপকী মীশিং* | *লুচিংবশিং* | *সেবা তৌবা* | *দরকার লৈবশিং* |
|---|---|---|---|---|
| | | | | Mission Needs |
| J. DOE | Shishy | Pastor | Missionaries President | |

*৩) থোইদোক্লা হায়জকপা নুংতিগী ওইবা প্রাথনাগী চে অমা থম্মু, হায়জরকপশিং অদু ইশিল্লু, হায়জরকপা নুমিৎ অদুগী তারিক মদু করম্বা কান্দা পাওখুম ফংবগে অমসুং মদু করন্না ফংবগে।*

*৪) অসুন্না নংনা নুংতিগী ঈশ্বরগী* ***ব্রা****হৈ অদু তম্বা মতমদা ঈশ্বরনা থোইদোক্লা ফোংদোকপীবা পোৎশিং অদু ইশিন্নবা লাইরিক অমা থম্মু।*

***খুদমঃ***

*মাথি ২৪,*
*জেন ৩, ৯২*

*পান্দুপ ১৪ যীশুগা শরুক য়ামীন্নবা অসি কয়াগী মতিক মরু ওইবগে হায়বসি ঐঙোন্দা উহনবী।*
*পান্দুপ ২০, ২১ প্রাথনা অসি কয়াগী মতিক মরু ওইবগে হায়বসি ঐঙোন্দা উহনবী।*
*পান্দুপ ৪৪-৫১ ঈশ্বরনা ঐঙোন্দা তৌ হায়বা পোৎশক তৌবা অসি কয়াগী মতিক মরু ওইবগে হায়বসি ঐঙোন্দা খঙহনবী।*

***হাপচনবা শরুক (খ)***
***মশাগী ওইবা প্রাথনাগী লিষ্ট***

***১) থাজদবশিংঃ***

*ইমুং মনাং*

*যুমলোন কৈরোন্নবশিং*

*থবক তৌমিন্নবশিং/লাইরিক তম্মীন্নবশিং*

*অতোপ্পশিং*

***২) শীংলুপকী মীওইশিং***

***৩) লুচিংবশিং***

*৪) সেবা তৌবশিং*

*৫) থোয়দোক্না দরকার লৈবশিং*

*৬) অতোম্পা প্রাথনগী হায়জরকপশিং*

***হাপচনবা শরুক (গ)***
***প্রথনাগী শেম শাননবা অমসুং***
***ইশাগী ওইবা হেনগৎনবা থম্মোয়দা থিজবা***

*লাইশোন ঈশৈ ১৩৯ঃ২৩-২৪ হে ইপুরোই, ননাইবু চাং তৌবিয়ু অদুগা ননাইগী পুক্নিংবু খঙবিয়ু। চায়েং তৌবিদুনা ননাইগী* **ৱা***খল খঙবিয়ু। ননাইগী থম্মোয়দা ফাওবা লৈরিবসি খঙবিয়ু লোম্বা নাইদ্রবা লম্বেলদুদা ননাইবু চিংশিনবিয়ু।*

*ঈশ্বরগা শরুক য়ামীননবা অমসুং ঈশ্বরগী মীশিংগী মরক্তা অনৌবা অমা পুরক্নবা পাপ হায়দোকচবা অসি দরকার লৈ। মখাগী* **ৱা***হংশিং অসি প্রাথনগা লোয়ননা মুন্না খল্লু।* **ৱা***হংশিং অসি অমমমতা ওইনা য়েংউ।* **ৱা***হং খুদিংমক্কী অশেংবা পাওখুম অদু পীয়ু। হোয় হায়বা পাওখুম খুদিংমক্তা নংগী পুন্সিদা পাপ ওইবা য়াই।*

*মসিগী* **ৱা***হংশিং অসি পারকপদা, করিগুম্বা মরাল লৈরে হায়না ফাওরবা খুদক অদুদা ঈশ্বরদা লাল্লে হায়না হায়দোকচৌ, মদু চুন্না তৌবা পামজৌ, অসুন্না শেংদোকপীবা অমসুং ঙাকপীবা অদু ফংবা ঙম্নবা। ১ য়োহন ১ঃ৯ ঐখোয়না ঐখোয়গী পাপ হায়দোকচরবদি, ঐখোয়গী পাপ কোকপিনবা অমসুং ধর্ম্ম চেন্দবা পুম্নমক্তগী ঐখোয়বু শেংবিননবা, ইবুংঙো মহাক্তি থাজবা য়াবা অমসুং অচুম্বনি।*

*ঈশ্বরদা নহাক্কী পাপ অমতা চিখ্‌দনা হায়দোকপা ওইসনু শুন্না ....... "ঈশ্বর ঐগী অনিংবশিংদা মহাক্না হান্না মাং থাহৌদ্রে" নত্রগা "ঐনা নহাক্কী থবক অমদি প্রাথনা অদু থৌওইরুদ্রে"। নহাক্কী পুন্সিদা তৌবা পাপ অমগী হেক্তাদগী নাম্থোক্লকবা লম্বী থীগনু। পওরৌ ২৮ঃ১৩ নরান কুপশিন্দুনা থম্লবদি নপুন্সি মহৈ য়াল্লোই। নরান হায়দোক্তুনা থাদোক্লবা হোৎনৌ অদু ওইরবদি ইপুরোইনা থৌজাল উৎপিগনি।*

*মী অতোপ্পশিংনা তৌবদু করিসু খল্লুনু, নত্রগা তৌই হায়দুনসু তৌদবা তৌগনু, খৃষ্টিয়ন অমা ওইনা নহাক্কী তৌফম থোকপশিং অদু তৌ, তোক্কনু। অঙকপা থ**ব্রা**য়্গী ওইবা চাওখৎপা অদু ঈশ্বরনা নহাক্কী মতেংনা পুরকপা পাম্মী। থ**ব্রা**য় অশেংবগী অমদি ঈশ্বরগী **ব্রা**হৈগী মপান্না নংগী দরকার লৈবা খুদিংমক ঈশ্বরনা মপুং থন্দুনা নঙোন্দগী মহাক্না হৌবা য়াই। করিগুম্বা নংনা পামজবা তারগদি ঈশ্বরগী মফমদগী অহোংবা অমা হায়বদু ঙসিদগী হৌরো। শাশত্রশিং অসি হান্না পারো, **ব্রা**হং অসি হংলগা মদুগী অচুম্বা পাওখুম অদু পীয়ু, হোয় নত্রগা নত্তে হায়না।*

*১) **মথি ৬ঃ১২-১৫ঃ** নহাক্না কল্লক য়েংথিনবা কনাগুম্বা লৈব্রা? নহাক্না ঙাকপীবা ঙমদবা কনাগুম্বা লৈব্রা? নহাক্না তুকৎচবা? নহাক্না নুংশিদবা কনাগুম্বা লৈব্রা? জ্ঞান তানদবা করিগুম্বা অমা মদু নহাক্না কাওথোকপা পামলব্রা? নহাক কনাগুম্বা অমগী মফমদা নুংঙাইতবা **ব্রা**খল, শাথীবা, শাউবা নত্রগা কলকপা লৈব্রা? কনাগুম্বা অমগী থাগৎপা অমদি অফবা **ব্রা**দা পামদবা য়াওব্রা? অতোপ্পশিংগী মফমদা অরানবা মীয়েংনা য়েংবগী লমচৎ অদু লৈব্রা?*

*২) **মথি ৬ঃ২২ঃ** নহাক্কী নফমদা ঈশ্বরনা হান্না মাংদা থম্বা ঙমদবা লোৎশক লৈব্রা? ঈশ্বরগী অনিংবা থীবগী অমদি মহাক্কী অপাম্বা অদু তৌবগী মহুত্তা নংগী লৌশিং অমসুং অপাম্বদা থবক তৌব্রা? মখাদা পীরিবা ময়ামশিংগী মরক্তগী অমা হেক্তা নহাক্না ঈশ্বরদা পীশিঞ্জবা অমদি থবক্তা অথিংবা ওইব্রা? অথোই অহেন ফংনীংবা, নুংঙাইনবা, নুংশিবা অমগী, মরুপ-মপাংশিং, শক খঙনঙাই ওইবা, পৈশা, নহাক্কী ওইবা অনিংবশিং?*

*৩) **মার্ক ১ঃ১৭ঃ** নহাক খৃষ্টগী মাংখ্রবশিং অদু থীবদা মাইথিরব্রা?*
*প্রভু যীশু খৃষ্টগী শাক্ষী অদু নহাক মতম চুপ্পদা পীবা ঙমদ্রব্রা? থাজদবশিংদা নহাক্কী পুন্সি অদুনা প্রভু যীশুদা উৎতব্রা?*

*৪) **য়োহন ১৩ঃ৩৫ঃ** অতোপ্পশিংগী লাইবক/খুদোংথীবদা নহাক্না তুম্মীন্না হরাওব্রা? অতোপ্পগী মতিক মগুন নত্রগা খুদোংচবশিংদা নহাক্না তুম্মীন্না ওৎ-নৈব্রা? য়েৎনবা নত্রগা খৎনবা অমগী হেক্তা নহাক মরাল ওইব্রা? নহাক খৎনা, চৈনবা অমদি নিঙাই শংদান্নবা তৌব্রা? নহাক নাপাক তানবা কাংলুপ অমগী শরুক ওইব্রা? তৌরোয় হায়বা য়াওনা নহাক্না কনাগুম্বা অমবু ফজনা তৌদব্রা?*

*৫) **মালাখি ৩ঃ১০ঃ** নহাক্না ঈশ্বরদা পীফম থোকপা মতম, লৌশিং অমদি পৈশা পীদদুনা ঈশ্বরবু লৎনব্রা?*
*ঈশ্বরগী থবক্কীদমক নহাক্না শরুক তরা থোকপগী অমা অদুদগী তানা পীব্রা? ঈশ্বরগী সেবাগীদমক প্রাথনা অমদি পীশিঞ্জবদা মতেং পাংবা ঙমদব্রা?*

*৬) **১ কোরিন্থীয় ৪ঃ২ঃ** নহাক থাজনিংঙাই ওইদব্রা, মরম অদুনা ঈশ্বরগী থবক্তা দায়ত্যা পুগনি হায়বগী থাজনিঙাই ওইদব্রা? নহাক ঈশ্বরগী থবক্তা পুক্নিংনদি য়াম্না থৌগৎপা তৌনিংবা অদুগা মদুগী মতাংদা করিমত্তা তৌদব্রা?*

৭) ***১ কোরিন্থীয় ৬ঃ১২-২০ঃ*** নহাক্না করিগুম্বা হিরম অমদা হেক্তা নংগী হকচাং অসি চেকশিন্না লৌদ্রা? থৱাইয় অশেংবগী মন্দির অমা ওইনা নহাক মসি চেকশিন্না থম্বা ঙমদ্রা? নহাক য়ু নল্লগা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাব্রা? নহাক্কী নফমদা নহাক্কী হকচাংবু শেংহনদবগী হৈনবী লৈব্রা?

৮) ***১ কোরিন্থীয় ১০ঃ৩১ঃ*** ঈশ্বরদা পোৎলম খুদিংমক্কী মতিক মগুন পীবগী মহুৎতা নহাক নশাদা য়াওজবা অফবা পোৎলম অমগী মতিক মগুন নহাক্না লৌব্রা? খৃষ্টনা নংগীদমক করি তৌবীবগে হায়বগী মহুত্তা নশানা করি তৌখিবগে হায়বগী মতাংদা হায়ব্রা? নহাক্কী ৱারোল অয়াম্বা মতমদা ঐ হায়বগী মতাংদা ওইব্রা? নহাক য়াম্না থুনা নুংঙাইগনদ্রা? করিগুম্বা পোৎ অমদা ওইবসু ওইদবদসু নহাক অওইবা শাশিন্নব্রা?

৯) ***এফিসা ৩ঃ২০ঃ*** খষ্টদা থজবগী মহুৎতা নং নশা ওইনা থজ-জব্রা? ঈশ্বর সেবা তৌবগী থবক তৌবদা নং নশানা নশাবু হনথনা য়েংব্রা?

১০) ***এফিসা ৪ঃ২৮ঃ*** নহাক মতিক চান্না শেল ফংদ্রা? নহাক নংগী থবক অদু চাং হন্থন্না তৌব্রা? নংগী শেন্দোল পীথোকপদা নহাক চেকশিন্দব্রা? নহাক অতোপ্পশিংগী শেন্দোলদগী নাম্থোক্তুনা চেন্নবা থীব্রা? নহাক অতোপ্পশিংগী মতম মাংহনব্রা?

১১) ***এফিসা ৪ঃ৩১ঃ*** নং ৱা-কৎপ্রা? নং অরানবা থিব্রা? নং করিগুম্বা মী অমদা নল্লগা পোৎ অমদা হৈনদবা ফিভম লৈব্রা? নং শাওগনব্রা নল্লগা মচিং হৌব্রা? নং অরোৎপা অশাওবশিং পুদুনা চৎপ্রা? নং শাওরব্রা? নং অতোপ্পশিংগী মফমদা ঙাইঙমদব্রা? নং করিগুম্বদা কন্থাব্রা নল্লগা মীনুংশি লৈতব্রা?

১২) ***এফিসা ৫ঃ২০ঃ*** অফবদসু অমদি অৱাবদসু, নং ঈশ্বরবু পোৎ খুদিংমক্কীদমক থাগৎপদা থৌওইদব্রা? নং তশেংনমক ঈশ্বরগী ৱাহৈ অদুদা থাজদদুনা মহাক মচিন থীবনি হায়ব্রা? নং খোয়রাংব্রা? নংগী থৱায়গী ফিভম অদু ঈশ্বরগী ৱাহৈদা লৈপ্তদুনা নংগী পুক্নিংগী অনিংবদা লৈব্রা?

১৩) ***এফিসা ৫ঃ১৬ঃ*** নং লমচৎ ফজনিংাই ওইদবা রোদিও অমদি টি ভি গী থৌরমশিং অদু তাব্রা? নং কান্নদবা লাইরিকশিং পাব্রা? নং তাইবং পানবগী ওইবা কুন্মৈফিওংশিং অসিদা শরুক য়াব্রা? ৱাহং খুদিংমক্কী পাওখুম ফংদবা য়াদে হায়বা নংগী নফমদা লৈব্রা? নং প্রভু যীশু খৃষ্টদা মপুং ফবা ফংজদে হায়দুনা অতোপ্পা থবকশিং তৌব্রা?

১৪) ***ফিলিপ্পীয় ১ঃ২১ঃ*** নংনা পুন্সি অসিগী খোয়রাংবশিং অদু অদুমক লৌশিঞ্জব্রা? নংগী থম্মোয়গী নুংঙাইবশিং অদু ঈশ্বরদা অমদি মাগী ৱাহৈদা লৈতদুনা পোৎশিংদা লৈব্রা? খৃষ্টগীদমক হিংবা অমদি মাবু পেলহনবগী মথক্তা করিগুম্বা অমা নংগী নফমদা লৈব্রা?

১৫) ***ফিলিপ্পীয় ২ঃ১৪ঃ*** নং করিগুম্বদা ৱাহৈনা নল্লগা থবকনা কনাগুম্বা অমবু নুংঙাইহন্দনবা থীব্রা? নং কান্নদবা ৱাহৈশিং ঙাংব্রা? নংনা তশেংনা ঈশ্বর নিংজবা কনাগুম্বা অমবু হন্থনা ফত্তনা খনব্রা মরমদি নঙোন্দগী মখোয়শিং অদু খেন্নবা কাংলুপনি হায়না নল্লগা নংনা তৌবা অদুগুন্না মখোয় খুদিংমক তৌদে হায়দুনা?

১৬) ***ফিলিপ্পীয় ৪ঃ৪ঃ*** *হিরম খুদিংমদা নংনা ঈশ্বরবু পেলহন্নবা থীদৱ্রা? নং ঈশ্বরগী মফমদা অ**ৱা**বগী মশক ওইবা পোৎশিং লৈৱ্রা? করিগুম্বা অমদা হেক্তা নংনা ঈশ্বরগী মফমদা **ৱা**-কৎপ্রা? নংগীদমক্কি হায়না ঈশ্বরনা পীবিবা অদুদা নং অপেনবা ওইদৱ্রা? ঈশ্বরবু মপুং ফানা ইনবদা য়ীনিংদবা অনিংবা নংগী থম্মোয়দা লৈৱ্রা? নংনা তৌবা ঙম্বদা নং খাকচিন্দুনা থম্বরা নত্রগা মদু ঈশ্বরগী অনিংবা ওইরবসু মদু তৌদদুনা লৈৱ্রা? ঈশ্বরনা নংগী নফমদা মওন্না চিংলকপা অদু নংনা তৌদৱ্রা?*

১৭) ***কোলোসিয় ৩ঃ৫-৯ঃ*** *অহাম্বা অমদি কান্নদবা **ৱা**রী **ৱা**তায় শান্নবদা নং য়াওৱ্রা? নং নচিন থীদৱ্রা? নং হেঞ্জিন্না শুকহায় হায়দৱ্রা? নমথাক? হুরানবা? চেকশিন্না খল্লু ........ নং হেন্না লৌদৱ্রা?*

১৮) ***২ তিমোথি ২ঃ২২ঃ*** *নংগী নফমদা শেংদবা নশাগী ওইবা হৈনবী লৈৱ্রা? নংনা করিগুম্বদা নংগী **ৱা**খলদা মাইওন্দবা নুপী নত্রগা নুপাগী ওইবদা শেংদবা **ৱা**খল থম্ব্রা? য়ানশিনবা নত্রগা শেংদবা পোৎশিং অদু নংনা পায়ৱ্রা? নংনা শেংদবা হরাও-কুম্বা অদুদা য়াওৱ্রা? নংগী নফমদা করম্বা মিৎয়েংনা য়েংবগী মরান লৈৱ্রা?*

১৯) ***ইব্রীয় ১০ঃ২৫ঃ*** *ঈশ্বরগী অফবা **ৱা**হৈ তাফম অদুদগী নহাক নাথৈদুনা লৈৱ্রা? ঈশ্বরগী **ৱা**হৈ অসি হায়দোক্লিঙৈগী মতমদা নং চিরোল তৌৱ্রা নত্রগা অতোপ্পা **ৱা**খল খন্দুনা লৈৱ্রা? শীংলুপ্তা চৎপদা নং চাং নাইদৱ্রা? প্রথানগী সেবা য়াওবদা নহাক পুক্রিং চিংশিন্দৱ্রা? নুংতিগী নত্রগা নশাগী ওইবা প্রথনা অদুদা নং থ**ৱা**য় য়াওশিন্দৱ্রা/থৌওইদৱ্রা? ঈশ্বরগী **ৱা**হৈ অদু নং থৌওইদৱ্রা? বাইবল অমদি প্রাথনা অসি নংগী নফমদা পুক্রিং চিংশিন্দৱ্রা? চারমদাইদা নং ঈশ্বরদা থৌওইনা থাগৎতৱ্রা? নুংতিগী ইমুং-মনুংগী ভক্তি অদু নং থৌওইদৱ্রা?*

২০) ***ইব্রীয় ১৩ঃ১৭ঃ*** *শীংলুপকী লুচিংবশিং নত্রগা করিগুম্বা অমদা নোল্লুকপদা নং হৈনদৱ্রা? নং তনগনৱ্রা? নংঙোন্দা মতেং পাংবীয়ু হানা হায়রকপা অফবা **ৱা**পাওগী থবক্তা নং য়াওদৱ্রা? করিগুম্বদা নংগী নফমদা ঙক কনবা নত্রগা তম্বীবদা লৌদবা পোৎশক য়াওৱ্রা?*

২১) ***যাকোব ১ঃ২৭ঃ*** *নং তাইবঙপানগী ওইবা পোৎশিং অসিনা নশাবু মাংহনবা য়াহনজৱ্রা? নংনা শেৎলিবা ফিজোন অদুনা ঈশ্বরবু পেলহনলিৱ্রা? করিগুম্বা অমদা ঈশ্বরবু পেলহনবা নত্তবদা নংনা কা হেন্না খরচ তৌৱ্রা? নংনা লৈরুবা পোৎশিং অদুগী প্রাথনা তৌবা নং থৌওইদৱ্রা?*

২২) ***য়াকোব ৪ঃ৬ঃ*** *নং খৃষ্টিয়ান অমা ওইনা য়ান্না ফজনা হিংলি হায়না খঞ্জৱ্রা? মদুদি নং অদুক হাক্না ফত্তবা নত্রে হায়না? মদুদি নং অফবা অমনি হায়না নং ঙক কনৱ্রা? নং নশাগী ওইবা লম্বী অদু তৌননবা কন্না থীৱ্রা? নংগী হকশিং অদুনা নং কন্না হায়জনৱ্রা?*

২৩) ***য়াকোব ৪ঃ১১ঃ*** *নং ঈশ্বরবু ঈকায় খুমনদৱ্রা অমসুং মহাক্কী সেবকশিংগী ময়োক্তা ঙাংদুনা মহাক্কী থবক্তা অথিংবা ওইৱ্রা? নং নুমিৎ খুদিংগী নংগী পাস্তর অমদি অতোপ্পা থ**ৱা**য়গী লুচিংবশিংগী প্রাথনা মপুং ফানা তৌবা ঙমদৱ্রা? নংগী নফমদা চুমথোকপা হায়বসি অ**ৱা**বা অমা ওইৱ্রা? নংবু হান্নগী মফমদা তম্বীবা পাম্বা কনাগুম্বা অমগী মফমদা নহাক য়ানিংদবা য়াওৱ্রা? নং ঈশ্বরবু পলহনবগী মহুত্তা মীশিংনা করি খনখিনি হায়না খনবনা মরুওইনা লৌৱ্রা?*

*নং করিগুম্বা থম্মোয় শেংলবা অমসুং নংগী পাপশিং অদু য়াজবদা শেংজরবা, অদু ওইরবদি নহাক ঈশ্বরনা শেংদোকপীবা অদুগী মতিক চারে। য়াজরে হায়না হায়বা পাপশিং অদু হায়দোকচপা পাপশিং অদুনি। মসিগী পোৎশক অহুম অসি নিংশিংউ।*

*১) করিগুম্বা পাপ অদু ঈশ্বরগী মায়োক্তা ওইরবদি, ঈশ্বরদা মদু হায়দোকচৌ অমসুং পোৎশিং অদু চুন্না ঈশ্বরগা লৈননবা শেম্মু।*

*২) করিগুম্বা পাপ অদু কনাগুম্বা অমগী ময়োক্তা ওইরবদি, ঈশ্বরদা মদু হায়দোকচরো অদুদগী পোৎশিং অদু চুন্না মীদুগা লৈননবা শেম্মু।*

*৩) করিগুম্বা পাপ অদু কাংলুপ অমগা ওইরবদি, ঈশ্বরদা মদু হায়দোকচরো অদুদগী পোৎশিং অদু চুন্না কাংলুপ অদুগা লৈননবা শেম্মু।*

*করিগুম্বা মপুং ফান্না হায়দোকচরবদি, মপুং ফানা শেংদোকপা ফৈ। ঈশ্বরগী নুংঙাইবা অদু লাক্কনি, মদুদগী শাক্ষী লাক্কনি অমসুং থব্রায় অশেংবগী পাঙ্গলদা প্রাথনা তৌগনি, চাওনা হোংবা অদু লাক্কনি।*

***ঈশৈ ১৯ঃ১২ঃ** কনানসু মশাগী মরান খঙবা ঙমদে, হে লাইনিংথৌ ইবুংঙো, ননাইনা খঙজদবা ইরান্দুদগী কনবিয়ু।*

***মসিগী প্রথনাগী লমাই অসি প্রভু যীশুনা পীবনি, চাইনাগী সুং-তুং দা লৈবা সাধুশিংদা মহাক্না হায়বনি, ইং শোক ১৯৩০দা ইশ্বরনা পীবা অসি তৌরবা মতুংদা অচৌবা অহোংবা অদু লাক্লে, মীশিং কল্লে, অনাবা ফবা থাদোকপীবা অমসুং শিবদগী হিঙ্গৎপা।***

*ঈশ্বরগী মফমদা নখোয়-নখোয়গী পুন্সিগী অঙকপা পান্দমশিং লৈ। অদুগুম্বা পান্দমশিংদু ফংনবা অমসুং মপূং ফানবা ঐখোয়না মখোয়গী মতেং পাংনিংই। করিগুম্বা নংনা হেন্না তমনিংলবা, প্রাথনা, নন্ত্রগা মরি মখোং থিদুনা নংনা হিংলিবা মফম অদুদা যীশু মরমদা তাক্লিংলবদি, ঐখোয়বু থেংনবীয়ু ।*

*- ঐ মখা তানা তম্বনিংই। চানবীদুনা,* BASIC *না শেম্বা কেটলোগ অদু থাবীরকউ।*
*- চানবীদুনা, অতেনবা ব্রারেং অমসুং সাহিত্যগী অচম্বা পেকেৎ অদু থাবীরকউ।*
*- ঐনা হিংলিবা মফম অদুদা অতোম্পশিংগা লোয়ননা যীশুগী মপাও তমনিংই।চানবীদুনা, মরুওইবা মরি মখোংশিংদু থবীরকউ।*
*- ঐগী হায়জবা প্রাথনা অমা লৈ।*

**BASIC INSTITUTE REQUEST FORM**

মসিগী পারা অসি নহাক । অতোপ্পদা তম্বিবা ঙমনবা করিগুম্বা পারা অসি মখা ইংগ্রাজিদা চৎথবা পামলবদি, চানবিদুনা ঐখোয়দা পাও ফাওদোকপিরকউ।

NAME ________________________________________

ADDRESS ________________________________________

CITY__________ STATE_____________ ZIP________

COUNTRY____________________

HOME PHONE _______________________ I would like to train in English.

WORK PHONE _________________________ Please send me the BASIC Institute Catalog.

CELL PHONE _________________________

BEEPER ______________________

FAX ____________________________

EMAIL ____________________________

I have a prayer request.
(Please put on back)

## Mail To:

BASIC Institute
P.O. Box 431
Kiln, MS 39556 U.S.A.
Or
Phone (228) 255-9251 / Fax (228) 255-8927
Email basic@basicministries.com
Web page www.basicministries.com

মসিগী নৈনবা অসিনা করিগুম্বা নঙবু বোর ফংহল্লবদি মী অতোপ্পদা Copy  অমা পীবিয়ু। ঐখোয়গী website তগী মসি নমথোকপদসু য়াই। www.basicministries.com.

OR

OBTAINED DIRECTLY FROM THE PUBLISHER.
BE SURE TO WRITE IN ENGLISH, AND TELL US THE LANGUAGE YOU WANT.

WRITE TO:

BROTHERS & SISTERS IN CHRIST
P.O. BOX 431
KILN, MS 39556
U.S.A.

Phone (228) 255-9251

Fax (228) 255-8927

Copies are available by Email
Send your request to  basic@basicministries.com
Or
Visit our web site
www.basicministries.com

COPIES ARE AVAILABLE IN OTHER LANGUAGES.
CONTACT US FOR MORE INFORMATION.

যীশুবু অতোপ্পদা ফজনা শন্দোকপা য়ানবা নহাক মাই পাক□ া হিংনিংব্রা?

পাঙ্গলগা লোইন্না নহাক□ া শাখি পীনিংব্রা?

নঙনা অফবা ৱাপাও অসি শন্দোকপদা তশেংনা পুন্সি কয়া হোংবা উনিংব্রা?

ঈশ্বরগী ওইবা মওংদা পাও শন্দোকপগী নিয়ম অদু নহাক□ া খঙনিংব্রা?

পাও শন্দোকপগী মখল মঙা অমসুং মখোয়শিংদুগী পান্দমদু নহাক খঙনিংব্রা?

!! অদুওইরবদি মসিগী লাইরিক অসি নহাক্কীনি !!
খোমজিনজবা ঃ
Bro. Henry Pulsifer
অমসুং
য়েকথোকচবা
Paula Mingucci

মাই পাকপা পুন্সি অমা হিংনবা হোৎনবদা নঙবু মতেং পাংনবগীদমক মসিগী পারা অসি শেম্বনি। মসি মথং মনাও নাইনা চৎথবা পরাশিংদুগী মনুংদা অমনি। Bro. Henry না যীশুগীদমক চহি ৪০ হেন্না হিংবদগী ফংলকখিবা মাই পাকপা অদু মানা থেংনরে। মহাক্কী মাই পাকপা অদুগী মনুংচনবা অমা ওইরিবা অদুদি মহাক□ া পুন্সিগী লম্বীদা Cross পুদুনা চৎলিঙৈদো ঈশ্বরনা মহাকপু Cancer দগী ফহনবিখি। মহাক্কী অনাবা ফখিবদগীদি মহাক□ া পৃথিবীগী মফম কয়াদা চৎতুনা যীশুবু শন্দোকখি। অদুগা যীশুগীদমক হিংলগা অমসুং ঈশ্বরনা শেমবিরমবা পান্দম অদু থুংহল্লগা মাই পাকপা করম্না ফংগদগে হায়বদু মীশিংনা খংনবা হোৎনবদা মহাক□ া মতেং পাংলকখি।

মহাক□ া থেংনরকপা অদুদগী বিশোই মখল কয়াদা য়ুমফম ওইগদবা পারা কয়া অমা খোমজনখি। মদুদি মীবু গ্যান তাহন্নবা অমসুং মর¦ওইবা বাইবলগী নিয়মশিং অদুগী মতুং ইন্না হিংলগা পুন্সিদা মাই পাকপা পুরকনবনি। নুমিৎ খুদিংগী যীশুগীদমক হিংলগা নঙগী নশাগী পুন্সিদা মাই পাকপা ফংবদা মতেং পাংনবগীদমক মসিগী অকক□ বা নৈনবা অসি শেমবনি। নঙনা অতোপ্পবু তম্বীবদা মসিনা মতেং ওইগনি। অমসুং মসি নথন্□ া নত্রগা ময়াম নৈনবদা য়াম্না কান্নে।

COPYRIGHT 1990 ALL RIGHTS RESERVED
ফোংলিবা মী অসিগী অয়াবা য়াওদনা লাইরিক অসিগী সর¦ক অমফাওবা নমথোকপা য়ারোই। করিগুম্বা মমল অমত্তা লৌদনা য়েনথোকপা ওইরবদি অসিখক্তদা, য়েনথোক্লিবা সর¦ক অদুমক নমথোকপা য়াই। লাইরিক অসি ফংবগীদমক মতিক চাবা থাগৎ ৱাহৈ অদু পিবিগদবনি।

PUBLISHED BY:

BROTHERS & SISTERS IN CHRIST
P.O. Box 431
Kiln, MS 39556
USA

Phone (228) 255-9251
Fax (228) 255-8927
Email basic@basicministries.com
On the web at www.basicministries.com